ওঁ

ব্যাখ্যা তোষাণী মঙ্গলা চরন ।

প্রণম্য মাতরং ভূয়ঃ শ্রীগুরুং পিতরং তথা ।
প্রাচীং দিশং সমুদ্দ্যন্তং শ্রীগোবিন্দং তমুপাশ্রয়ে ॥ ১ ॥
শ্রীমদুজ্জ্বলনীলাখ্যমণেঃ কিরণরূপকং ।
বিশ্বনাথকৃতং গ্রন্থং বিবৃণোমি যথামতি ॥ ২ ॥
রম্যং মণিপুরং নাম বভ্রুবাহনপালিতং ।
দ্বিতীয়ং বৈকুণ্ঠমিব স্থাপিতং বিষ্ণুনা ক্ষিতৌ ॥ ৩ ॥
অত্র দেশে প্রসূতানাং শ্রীগোবিন্দৈকচেতসাং ।
প্রেমভক্তিবিধানার্থং ভক্তবাঞ্ছাপ্রদায়কঃ । ৪ ॥
ভাগ্যজনৃপশ্রেষ্ঠদয়াবশংবদো হরিঃ ।
আবির্ভূয় চ গোবিন্দঃ কান্যাখ্যে উদয়ে গিরৌ । ৫ ।
বৈকুণ্ঠসন্নিভং পুরং মণিপুরাখ্যমণ্ডলং ।
ন [illegible] [illegible] সক্রীড়াস্তুর্ব্বত ॥ ৬
যা লীলা বিশ্ববিখ্যাতা সর্ব্বৈশ্চ বৈগরীয়সী ।
শ্রীমণিপুররাসাখ্যা সর্ব্বলীলাশিরোমণিঃ । ৭ ॥
গোবিন্দঃ শ্রুতিবর্ত্মনা বিশতু হৃদ্ গোবিন্দমীক্ষেমুদা ।
গোবিন্দেন সুখং লভেয়মপরো দাতা ন গোবিন্দতঃ ।
গোবিন্দস্য পদারবিন্দযুগলং ধ্যানায় সংবর্দ্ধিনি ।
গোবিন্দে রতিরস্তু মে কৃপয় হে গোবিন্দ তুভ্যং নমঃ ॥
অনর্পিতচরীং চিরাৎ করুণয়াবতীর্ণঃ কলৌ সমর্পয়িতুমুন্নতোজ্জ্বলরসাং
স্বভক্তিশ্রিয়ং ।
হরিঃ পুরটসুন্দরদ্যুতিকদম্ব সন্দীপিতঃ সদা হৃদয়কন্দরে স্ফুরতু বঃ
শচীনন্দনঃ ॥

অথ উজ্জ্বল নীলমণি কিরণঃ ।

'অথ— উজ্জ্বলরসস্তত্র নায়কচূড়ামণিঃ শ্রীকৃষ্ণঃ"

অসিগী মতুংদা উজ্জ্বলরস হাঙ্গৈ র মাহুদা শ্রীকৃষ্ণনা নায়ক চূড়ামণিনি ।

বিবৃত্তি — ভক্তিরসামৃসিন্ধুগী 'বিন্দুদা বিশ্বনাথ চক্রবর্তী পাদনা ভক্তিরসগী বিচার তৌরকপদা মমিংতা ওইনা থক্তিবং উজ্জ্বল রসবু হাঙ্গৈথরে ।

আহ্লাদি— উজ্জ্বল নীলমণিগী মঙানগুম্না কিরণদা সন্দোকনা হাঙ্গৈনবগা-দমক্তনি । মরম অসিনা 'কিরণ কৌবা গ্রন্থ' হৌগংপদা বিশ্বনাথ পাদনা "অথ" বাহৈ আসনা হৌগংলিবা গ্রন্থগী অকাই অত্তোই কৈতনা লোইননবাগীদমক মঙ্গলাচরণ তৌই. অমসু বিন্দুদা ভক্তিরসগী মথল অপুম্বা লেংলগা কিরণদা উজ্জ্বল রসবু সন্দোকুবাগীদমকসু অথ (অসিগীতুংদা) বাহৈ অসি হাপই । অদুনা অসম্বা বাহৈদ অসিন বিন্দুদা ভক্তিরসগী মথল অপুম্বা তারবা অসিগীতুংদা উজ্জ্বলরসবু হাঙ্গৈগে । উজ্জ্বলরসদা নায়কতি নায়কচূড়ামণি শ্রীকৃষ্ণনি ।

> "এষঃ গোকুল মংরা দ্বারবাস্তু ক্রমেণ পূর্ণতম:
> পূর্ণতরঃ পূর্ণ ইতি ত্রিবিধঃ । সপুনঃ ধীরোদাত্তঃ ধীরোদ্ধতঃ
> ধীরশান্তঃ ইতিপ্রত্যেকং চতুর্বিধঃ । তত্র রঘুনাথবৎ গম্ভীরো
> বিনয়ী যথার্হ সর্বজন সম্মানকারীত্যাদি গুনবান্ ধীরোদাত্তঃ ।

কন্দর্পবৎ প্রেয়সীবশো নিশ্চন্তো নবতরুণ্যো বিদগ্ধঃধীরললিতঃ । ভীমসেনবৎ উদ্ধত আত্মশ্লাঘারোষকেতবো দম্ভনযুক্তো ধীরোদ্ধতঃ । যুধিষ্ঠিরবৎ ধার্ম্মিকো জিতেন্দ্রিয়ঃ শাস্ত্রদর্শী ধীরশান্তঃ । পুনশ্চ পত্যুপতিত্বেন প্রত্যেকং সদ্বিবিধঃ । এবংপুনশ্চ অনুকূলো দক্ষিণ.শঠঃ । ধৃষ্ট ইতি প্রত্যেকং চতুর্বিধঃ । একস্যামেবনায়িকায়ামনুরাগ অনুকূলঃ; সর্বত্র সমোদক্ষিণঃ, সাক্ষাৎপ্রিয়ংবক্তি পরোক্ষে অপ্রিয়ংকরোতি যঃ স শঠঃ, অন্যকান্তাসম্ভোগচিহ্নাদিযুক্তোহপি নির্ভয়ো মিথ্যাবাদী যঃ স ধৃষ্টঃ । এবং ষণ্ণবতি বিধ নায়ক ভেদাঃ ।

হরিভক্তি নায়ককী মখল লাইংগি। অহানবদা গোকুল-ব্রজ, মথুরা অমসুং পুরী মফং মফং পূর্ণতম, পূর্ণতর অমসুং পূর্ণ অসুম্বা নায়ক মখল অহুম থোকই

অমোক অমসুং ধীরোদাত্ত, ধীরললিত, ধীরোদ্ধত, ধীরশান্ত অসুম্বা মরি থোকই, (অদুনা নায়ক মখল ১২ সুরে)। শ্রীরামচন্দ্রগুম্বা সুরুপা, হাঙ্গৎতবা অমসুং মা পুরুষকপু মাথাগী মতিক ওকপা সম্মান তৌবা অসিনা চংবা গুণ চেনবানু ধীরোদাত্ত কৌই, কন্দর্পগুম্বা চায়বীনা খুত্তম চনবা নিংচাইদবা, পাঞ্জনেই। নত্তৌ তৌবা অমসুং হেসিংবা; ধীরললিত কৌই। ভীমসেনগুম্বা লংগংপা মতিক পাগংপা, সাউগনবা, অমসুং লৌনম তৌবা অসিগুম্বা গুণ চেনবানু ধীরোদ্ধত কৌই। যুধিষ্ঠিরগুম্বা ধর্মচেনব, ইন্দ্রিয় লাকসিনবা, অমসুং শান্ত উবানু ধীরশান্ত কৌই।

মাদুগী মথক্তা অমোক পতি (মপা) অমসুং উপপতি (মরুপ) অসুম্বা অনি অমোক থোক্না থাই (অদুনা ১২ × ২ = ২৪ সুরে)

মাসুম তৌদুনা অনুকূল দক্ষিণ, শঠ, অমসুং ধৃষ্ট অসুম্বা মখল মরি থোক্না থাই। মাদুদি সুপনগী নুপী অমতদা অনুরাগ তৌবা (মুংসিবা) বু অনুকূল, নুপী ময়ামদা চপ মান্না অনুরাগ তৌবা (মুংসিবাবু) বু দক্ষিণ, মাংদানা নুপী অদুগী মুডাইনবা ভাংবা মতুংদানা চায়বীনা য় নিংবাদবানু তৌবানু শঠ অমসুং নুপী অমগা লৈমন্নরুব খুদম লৈরবামক্তদা চায়বীনা সাংগানি হাঙ্গৈবগী নিংচাইদবা মীনমত্না ঐদ উনৈদে হাঙ্গৈগনু ধৃষ্ট কৌই। মাসুম তৌদুনা নায়ক চূড়ামণি শ্রীকৃষ্ণনা মখল ৯৬ (২৪ × ৪) সুই।

অথ আশ্রয়ালম্বন নায়িকাঃ প্রথমং স্বকীয়াঃ
পরকীয়া ইতিদ্বিবিধাঃ।

অসিগী মতুংদা আশ্রয়ালম্বন ওইবী নায়িকাশিংনা অহানবদা স্বকীয়া অমসুং পরকীয়া অসুম্বা অনি থোকই।

বিবৃতি— "কর গ্রহবিধিং প্রাপ্তাঃ পত্যুরাদেশতৎপরাঃ

পাতিব্রত্যাদচলাঃ স্বকীয়াঃ কথিতা ইহ॥"

আকরদা শ্রীরূপ পাদনা হাই, পাণিগ্রহণী বিধি ফংলবী, (ব্রাহ্মণ মৈনা শাক্ষী তৌদুনা বিবাহ তৌদুনা লৌবী) মপুরোইবগী থৌ-দাইনবী, অমসুং মপুরোইবনা হুকুম পীবা লেংদবী মুপীবু স্বকীয়া কৌই। অসিগুম্বা মুপীদু লোকতা থম্ব শাস্ত্রগী মতুং ইম্বা পত্নী কৌই অমসুং নিপাবু পতি কৌই

'রাগেণৈবার্পিতাত্মানো লোকযুগ্মানপেক্ষিণা।

ধর্মেণাস্বীকৃতা যাস্তু পরকীয়া ভবন্তি তাঃ॥"

মুপীনা মমুংদা পুক্নিংনা পান্না মতুনা হন্দক্কী মপোকা অমসুং হৌজিক্কী মপোকীসু অনিনক্কী ধর্ম হুৎলকনুনা অতোপ্পা নিপাগা মথংসু মপুকসু পিৎলোকপবী অমসুং নিপা অতোপ্পা বিবাহগী হৌন্দবি ধর্মনা লৌদবী মুপীবু পরকীয়া কৌই।

কাত্যায়নী ব্রত পরায়ণা কন্যানাং মধ্যে যাগান্ধর্বেণ বিবাহিতাঃ তাঃ স্বকীয়াঃ।

কাত্যায়নী ব্রত তৌবী গোকুলগী কন্যা সিংগী মরক্তা শ্রীকৃষ্ণা লোইনদুনা গান্ধর্ব বিবাহ তৌখিবী কন্যাসিং দৈ, মখোই অদুদি স্বকীয়ানি।

বিবৃতি— ব্রজগী গোপীসিংনা কুমারিকা—'পঙ্কবী মুপী মচা অই-বিদৌদা হেমন্তঋতুগী অহৌবা থাদা হবিষ্য চাদুনা থং অমা চুপনা কাত্যায়নী পূজা তৌবা ব্রত তৌখি। মাখোইনা হাই 'কাত্যায়নি মহামায়ে মহাযোগিন্যধীশ্বরি নন্দ গোপসুতং দেবি পতিং মে কুরু তে নমঃ

হে কাত্যায়নী, হে মহামায়া, হে মহাযোগিনী. হে অধীশ্বরী, হে দেবী! নন্দ গোপ-গী মচাবু ঐগী ইপুরোইবা ওইহনবিয়ু, নংবু খুরুমজৈ" অসি হাঙ্গৈ। বাকয় অসি শ্রীভাগবতনা হাঙ্গৈ। মাগী তাৎপর্য্যদি- ব্রত তৌরিবী গোপীসিং অসিনা শ্রীকৃষ্ণবু মপুরোইব ওইনা ফংনিংবনা সাধন তৌরি। অতনা নিত্যসিদ্ধা শ্রীরাধা চন্দ্রাবলী অসিনাচিংবদি যাওদে। অসুমনা খংহনলি, অতুগা কুমারী হাঙ্গৈ দবদা কুমারিকা হাঙ্গৈবনা য়ামনা পীক্লবীনি হাঙ্গৈবায় খংহনলি, মথৌনা "পতিং মে" শ্রীকৃষ্ণবু ইপুরোইবা ওইহনবিয়ু হাঙ্গৈবদা প'ত (ইপুরোই বা) বাকি অসিনা তাকই। ব্রাহ্মণ অমসুং মৈনা সাক্ষী ওইদুনা বিবাহ তৌবা মখোইনা শ্রীকৃষ্ণগী পত্নী কৌবা ঙম্বা অসি মখোইনা ফংবা পামই। "পত্যুর্নো সংযোগে" অসুমনা প নিনিনা নিংসংবনা খংনৈ। তৌইগুমসুং মাসুমনা বিবাহ তৌবদি ফংখিদে। ব্রত লোইবা মুমিত্তা গোপীসিংনা যমুনা স্নান তৌরিবৈদা শ্রীকৃষ্ণনা লেংলকতুনা বস্ত্রহরণ লীলা সারে। মাতু গন্ধর্ব বিবাহনি। মাতুদা শ্রীকৃষ্ণনা গোপী সিংদা হাঙ্গৈরমই 'ময়েমা রংস্যথ ক্ষপাঃ" ঐগা লোইনদুনা লাকইবা অহিংসিং অসিদা নংখোইনা সারগনি। অসুমনা তাকতুনা লৈরিবী গোপীসিংনা মাপানদা গুরুজননা খংদে, অদুগা অতোপপা নপা অমদা খাজদুনা বিবাহসু তৌদে, মাসুমনা লৈরিবী গোপীসিং অদুবু স্বকীয়াগী ভাব ওইনা বিশ্বনাথ পাদনা হাঙ্গৈ, মাগী অর্থদি - মখোই অসিতা ব্রজদা স্বকীয়া ওইনা লৈ অতেদি পরকীয়া তাকনি। অমসু ক ত্য,- রনী পূজা তৌবী কন্যাসিংসু অয়াবদি পরকীয়া তাকনি। মাস মথংগী যাহনা লেংনা তাকই।

উদ্দস্থা ধন্যাদয়ঃ কন্যাঃ পরকীয়া এব।

ম দু নন্দগী ধন্যানাচিংবী কন্যা সিংদ পরকীয়া তাকতনি।

বিবৃতি - মাহৃ নত্তবী হ টবদি কাত্যায়নী পূজা তৌবী গোপকন্যা শিংগী মরকপী কনাগুবী স্বকীয়া ভাব তৌবী খরা অদু নত্তবী, হায়বদি কাত্যায়নী পূজা তৌবী গোপকন্যা অমাখদি পরকীয়া ভাব ঙাকতনি। মাখোই অদুদি ধন্যানাচিংবীন অমুমা হায়বনি।

আকরদা হায়ে "কন্যকাশ্চ পরোঢ়াশ্চ পরকীয়া দ্বিধামতা" পরকীয়া মখল অনিনি, মাদুদি কণ্যকা অমসু পরোঢ়া। কন্যকা হায়বদি "অনূঢ়াঃ কন্যকাঃ প্রোক্তাঃ সলজ্জাঃ পিতৃপালিতাঃ"। মবা নাইদাবিবী মপানা ঙাকলিবী, ইকাইখবীবু কন্যকা কৌই। "ভগ্রহুর্গাব্রতপরাঃ কন্যা ধন্যাদয়ঃ মতাঃ।" কাত্যায়নী ব্রত তৌবী ধন্যানা চিংবীবু কন্যানি অমুমা খংনগনি। কত্যায়নী ব্রত তৌবী কন্যাসিংনা "কৃষ্ণগা গান্ধর্ববিবাহ তৌখিদনা শ্রীকৃষ্ণবু ইপুরোইবনি নিংই, মাখোইনা লোয়া চায়রবনি হায়না নিংদে, অঙৌবদি ওইরগা মপানাচিংবদা ঙাকখোকে, ইকাইহুনা লোংপনা প্রচ্ছন্নকাম ওইহুনা মবাটেনবী মুপানা মবা নবাবু মুৎসিবাওয়া শ্রীকৃষ্ণবু, তৌই, অদুনা কন্যা ওইনা পরকীয়া ওই।

মূলং শ্রীরাধাদ্যাস্তু পরোঢ়া. (১) পরকীয়া এব। শ্রীরাধানাচিংবী পরোঢ়া (অতোপপনা লুহোংখ্রবী) সিংদি পরকীয়া ভাববতী ঙাকনি।

বিবৃতি - "গোপৈর্ব্যূঢ়া অপি হরেঃ সদা সম্ভোগ লালসাঃ।

পরোঢ়া বল্লভাস্তস্য ব্রজনার্য্যোহপ্রসূতিকাঃ।"

(১) 'প্রৌঢ়াঃ' অমুমা পাঠনে, মাদুগী অর্থদি অধিকবয়স্কা হায়বনি [illegible]রাধাবু জয়দেবনা 'মেঘৈঃ মেদুর...' দা প্রৌঢ়া ওইনা হায়ে।

গোপসিংনা বিবাহ তৌখ্রবী ওইরুনমু মতম পূরনকা শ্রীকৃষ্ণগী [illegible] নিংহুনা লৈরবী, সিংবু পরোঢ়া কৌই, শ্রীকৃষ্ণনা চায়বী ব্রজ [illegible] অপ্রসূতিকা মচাপোকখীনি, হায়বদি যোগমায়াগী খৌয়াংনা [illegible] প্রকৃতিগী শাক্রবাইদমক গোপীসিংগা পাই দৈ পাঞ্জে। দৈ

সাংতুনা মচাগী লোইনববদি আলম্বনবিভাবতা মোব ওই, অনুভাব-বদি রসমু লোব ওইগনি। শ্রীকৃষ্ণ গোপীসিংগা সান্নবদি 'রস' ওইনবা বগীরমক্তা সান্নবনি। মীচমগী ইন্দ্রিয়গী থৌগাংগী পুংনবা-নুংঙাইনবগীমখক সান্নবা কামক্রীড়া নত্তে।

শ্রীভাগবতনা হায় "সিষেব আত্মন্যবরুদ্ধ সৌরত." মাথোক্না চরমধাতু থাবা মাওদবা শ্রীকৃষ্ণনা সৈ, মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী ব্রজ লীলাদা বীর্য্য থাবা লৈতে, মাদুগা মান্নবা গোপীকাদাসু আওবনক থোকে। শ্রীকৃষ্ণগী ব্রজগোপী লীলাদি মুপংগী প্রেমরসতনি মরম অসিনা আগমনদা হায় —

"প্রেমৈব গোপরামাণাং কাম ইত্যগমৎ প্রথা" গোপরামাসিংগীদি প্রেম-তনি, কাম অমুমনা কৌবতনি। গোপীসিংগা লোইননা অমুমা লীলাদা কাম ক্রীড়া অপুম্বা ওই। অনিমক্তা ইন্দ্রিয়দ চরমধাতু থোকপা মাওদে, মাদুগুম্না গোপীসিংগী পুকনিংদা মাথোইগী শ্রীকৃষ্ণগা তিন্নবগা থোক্কপা ইন্দ্রিয়নুংঙাইবতমু মাথোইনা পামদে অমসু নিংদে. গোপীসিংনা নিংই, মাদুনা শ্রীকৃষ্ণগী নুংঙাইবা ওইবা অসিতা পামই, অদুগা শ্রীকৃষ্ণদি গোপীসিংগী হকচাংগা তিন্নবগা থোক্কপা নুংঙাইবসু ফংনিংই মরম অসিনা ভগবান্ বেদব্যাসনা শ্রীকৃষ্ণনা রাস সাঙ্গে নিংবাসু এনাক্তবগী কথাদুগী আখ্যানে পদ প্রয়োগ তৌই, মাদুদি "রন্তুং মনশ্চক্রে" শ্রীকৃষ্ণনা গোপীসিংগা লোইনদুনা সান্নবগী মখক পুক্নিংদ থনথি হাইবদি সান্নবগী নুংঙাইবাসু ইবুংঙো মানা ফংনিংথি।

মরমদি— সৎ (লাংদবা) চিৎ (খংবা) আনন্দ (নুংঙাইবা) অদুবু অসিনা শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপনি। আনন্দ (নুংঙাইবা) কৌবা শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপকী শক্তিসু হ্লাদিনী কৌই। হ্লাদিনী কৌবী শক্তিনা মরম ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণনা নুংঙাই অমসু অতোপ্পবুসু নুংঙাইহল্লি। অদুগী নুংঙাইবী শাক্ত ওইবী

হ্লাদিনী শক্তিগী লেংত্রবা মচিবু শ্রীরাধা কৌই। গোপী পুমনমক শ্রীরাধাগী অংশ ওাক্কনি। মরম অসিনা হ্লাদিনী শক্তিগী বৃত্তি (মখোই) দি শ্রীকৃষ্ণনা মুঙাইবা অসিত'ন শক্তি মানা মুঙাইবদি নৈতে মীৎনা অতোপ্পবু উই, মাবু দি মানা উদে মাহুগুম্না গোপীনা শ্রীকৃষ্ণগী মুঙাইববু তৌই. গোপী মহাক্কী মুঙাইনবাদ রাওদে। মরম অসিনা গোপী প্রেমদা মুপনগী শ্রীকৃষ্ণবু মুঙাইনবতা ওইবা হ্লাদিনীগী বৃত্তি ওইবনা অতৈ অতোপ্পা অমা য়ানশিনদবা ওইবনা কবিরাজ গোস্বামীনা "গোপী প্রেম শুদ্ধ জাম্বুনদ হেম" অমুমনা উপমা তৌরমই। মৈতৈ ক'বনাসু মাদবিং-ঘোয়দা চোইনৌসনা কোংসুম্বী, হায়রমই। অর্থদি মুচোংবনাচিংবা রসায়নিক প্রক্রিয়ানা চোইথোক্লগা হ্‌ঙবদি অতোপপা খনিজ পদার্থবু ভানথোক্লুনা অশেংবা সনাতা ওইরবা অদুগুমনা গোপীবু মুপনগী প্রেমতনা মশক ওইরবীনি হায়বনি। অসিগুম্বা গোপী প্রেমবু শ্রীকৃষ্ণগী প্রিয়া লক্ষ্মীনাচিংবনা ফংবা ঙমদে, মথুরা দ্বারকাগী ইবেম্বাসিংনসু ফংবা ঙমদে, লাইগী মুপী সিংনসু ফংদে। অমুমনা শ্রীভাগবতনা হায়ি। অসিগুম্বা প্রেমনা তিনবী গোপীসিংগী শ্রীকৃষ্ণনা লমন তো-ক্লিবনি। অদুনা শ্রীমুখনা সংসংনা গোপীসিংদা হায়খিবা বাক্যবু শ্রীভাগবততা বেদব্যাসনা লেংই, মাহুদি—

"নপারয়েহং নিরবদ্যসংযুজাং, স্বসাধু কৃত্যং বিবুধায়ুষাপিবঃ।
যামাভজন্ দুর্জয়গেহশৃঙ্খলাং সংবৃশ্চ্যবঃ প্রতিযাতু সাধুনা ॥",

শ্রীকৃষ্ণনা গোপীদা হায়ি, হে গোপীস! অমকপা য়াওংনা ঐগা তিরগী নথোইগী লমনবু ঐনা লাগী পুন্সি অমচুপনা। নথোইবু লোনশিন্দুনা লমন থুবা ঙমগদ্রে, নথোইনা খাদোকপা ঙম্বা হৌনরবা

মুসগী মোংহিং অপুম্বাবু পামতুনা ঐবু নিংশিংবীনি। [illegible] নখোইগী অফবা অচুতনা নাখোইগী লমনখুম্বা ওইসনু।

অসিগুম্বা চাম্না হাঙবা থোক্তবা, তাইবংপানবদা ওইবা হৌনবা, প্রেম অসিনা দস্বব্রজদা গোপীসিংনা ওই-বাবু পরমভাগবত উদ্ধবনা উত্থনা হাঙ্গৈরমই,—

আসা মহো চরণ রেণু জুষামহংস্যাং,
বৃন্দাবনে কিমপি গুল্মলতৌষধীনাং।
যাদুস্ত্যজং স্বজনমার্য্য পথঞ্চহিত্বা
ভেজুর্মুকুন্দপদবীং শ্রুতিভির্বিমৃগ্যাং ॥"

অসিগুম্বী প্রেমবতী গোপীসিংগী খুয়াদা পকপা উফু-লবু ফংবা নাপীসিংগী মরক্তা ঐস্নু নাপী অমত্তং ওইনা পোকচগে অসিগুম্বী গোপীসিংনা থাদোকপা ঙম্বা হৌনদবা মাখোইগী স্বজনবু আর্য্যসিংগী লীচৎ ওইবা লম্বেনবুসু হু-প্লেক্তুনা শ্রুতিসিংনা থিনরিবা মুকুন্দগী পদবীবু ফংলে।

মাস্তুম ভৌত্থনা মথুরাপুরগী মুপীসিংনা দ্বারকাগী ইবে-মাসিংনস্নু অসিগুম্বা গোপী প্রেমম্বু ফংনিংই। অদুবু মাখোইনা ফংদে। ভৌইগুমস্নু মাখোইনা খংই, খংত্থনাস্নু মাখোইনা মাত্থওইনা শ্রীকৃষ্ণবু সেবা ভৌবা ফংদে। মহাত্মা ভীম্মনা মাহাক্কী হকচাং থাদোকলমদাইদা হাঙ্গৈরমই,

"কৃতমনুকৃতবত্য উন্মদান্ধা প্রকৃতিমগমন্ কিলযস্যগোপবধ্ব:,,

শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমনা ওকখ্রবী গোপীসিংনা শ্রীকৃষ্ণনা ভৌখিবা লীলাবু মাননা মাখোইনা ভৌত্থনা শ্রীকৃষ্ণগী প্রকৃতিবু ফংখি।

শ্রীকৃষ্ণনা মহাকপু সখী অপুন্না কৌবী, পথ্য ভক্ত পাণ্ডবকী মহারাণী দ্রৌপদীনা একুবাগী সভা ময়াইদা দুশাসননা মফি মুন্দুনা ইকাইবা পীরবদা মুপী ওইবগী অরোইবা অরাবাদগী কনবিনবা উরক্তরবদা শ্রীকৃষ্ণগী গোবিন্দ কৌবা মিঙ্গোনা কৌহুনা লাপনা লৈপ্রবা শ্রীকৃষ্ণবু কৌহুনা তেংথাখি। মতন অহুদা দ্রৌপদীনা নিংসংখী মীওইবা লোক্তা দেব লোক্তা বৈকুণ্ঠ দাসু কনাগুম্বা অমনা ফংবা ভমদ্রবা, যোগীন্দ্র, মুনীন্দ্র-সিংনা খঙহুনাসু ফংবা ভমদ্রবা গোপী প্রেম, প্রেম অহুবু শ্রীকৃষ্ণমকনা লমন খুম্বা ভমদ্রবা অহুগুম্বা প্রেমনা তিনবী গোপীসিংবু দ্রৌপদীনা নিংসংখি, অহুনা শ্রীকৃষ্ণবু কৌবদা দ্রৌপদীনা মুপী ওইবগী অরাবগী পন্দোলোমলবদা মুপী ওই-বগী প্রেমগী অরোইবী গোপীবু খাহুনা কৌই।

"গোবিন্দ দ্বারকাবাসিন্ কৃষ্ণ গোপীজনপ্রিয়"

"হে—গোবিন্দ, হে—দ্বারকাবাসিন্ হে—কৃষ্ণ হে—গোপীজন প্রিয়। শ্রীকৃষ্ণগী গোপীতত্ত্ব খংদবা পণ্ডিতশিংনা হাঙ্গৈ, গোপীপতি শ্রীকৃষ্ণবু মহাভারতনা হাঙ্গৈদে। মহাভারতকী শ্রীকৃষ্ণগা গোপীগী মবুংভোগা অমা মমনি অসিনাচিংবা। দ্রৌপদীনা মাগী অরোইবা মতমদা শ্রীকৃষ্ণবু অরোইবা রাহৈনা কৌবা "গোপীগী চান্নবা" রা অসি কয়া মমন য়ামথ্রবা, মাসিবু মহাভারতনা বেদব্যাসনা সংসংনা লেংই।

মূল— "কিয়ন্তাঃ গোকুলেশ্বীয়া অপিপিত্রাদি শঙ্কয়া পরকীয়া এব।"

গোকুলদা কনাগুম্বী (শ্রীরাধান চিংবী পংগোচা নত্তবী) সংদি মাখোইগী পুকনিংদা স্বকীয়া ভাব ওইহৃনা লৈ, অহুমু ফাংনা হাঙদোকদবদা হৃপোইহৃনা পরকীয়ামক ওই।

মূল— দ্বারকায়াং রুক্মিণ্যাদ্যাঃ স্বীয়া এব।

দ্বারকাদা রুক্মিণীনাচিংবী পুমনমক স্বকীয়া ওক্তনি।

বিবৃতি— শ্রীরুক্মিণীনাচিংবী দ্বারকাগী ইংবেমাসিংনা গোপী প্রেমবু থাজৈশেংনা য়োদে। মরম অসিনা দ্বারকাগী ইবেমাসিংদি প্রস্তুতিকানি, মগা চেল্লি, থাগী লৈশাংদি মাখোইনা শ্রীকৃষ্ণবু মুতিগী সেবা তৌবা ফংনবগীদমক যোগ মায়ানা উপায় তৌদে, অমসু শ্রীকৃষ্ণসু মাখোইদদি অমরুক সৌরভ ওইদে, শ্রীকৃষ্ণসু ইবেমাসিংসু চরম থাতু ওইহৃনা পট্টমহিষী-সিংগী মচা গুমা লৈ। মাখোইনা মতম পুম্নমক্তা আলম্ব বিভাব ওইবদা দোষ লৈ, অমসু রসসু মতম পুম্নমক্তা দোষ লৈতবা ওইদে।

ব্রজদা শ্রীরাধানাচিংবীনা নিত্যসিদ্ধানি, মাহুগুম্না পুরদা শ্রীরুক্মিণীনাচিংবীসু নিত্যসিদ্ধানি, অহুম্নদি ওইরগা প্রেমদা গোপীপ্রেমনা হেন্দলুবগী মরমদা রস শাম্লনা বিগার তৌই, মা হৃদি :—

শ্রীকৃষ্ণ বিষয়িণী রতি (শ্রীকৃষ্ণদা রতি লৈবা) হাঙবগী অর্থদি—শ্রীকৃষ্ণগী পেম্নবাতা পাম্না মশাগী পেম্নবা পামবা লৈতবা হাঙবনি। মহাকপু কান্তারতি মাহুম হাঙরো হাঙ

রগা মধুমারতি কৌই। মাতুমি সাধারণা, সমঞ্জসা অমসু সমর্থা অসুম্না অহুম থোকই। মধুরাগী কুব্জারাণীদা সাধা-রণা রতি ওই, দ্বারকাগী মহিষীসিংদা সমঞ্জসা অমসু ব্রজ গোপীদা সমর্থা রতি ওই। সাধারণী রতি

"নাতি সান্দ্রা হরেঃপ্রায়া সাক্ষাদ্দর্শনসম্ভবা:।

সম্ভোগেচ্ছানিদানেয়ং রতিঃ সাধারণী মতা ॥"

শ্রীকৃষ্ণবু সংসংনা উবদগী হৌবা সম্ভোগ পামবনা থোকপা, অমসু মানা থোইনা কুণ্ডসিনদবা রতিবু সাধারণী রতি কৌই। উদাহরণ কুব্জানা শ্রীকৃষ্ণবু উবদগী শ্রীকৃষ্ণগী রূপ মাধুরীনা ওকখিহুনা মাগী মুণ্ডাইবা পাম্বাগী মশক ওইবা সম্ভোগগী ইচ্ছা পোকখি। মাহুগী মতুংদা অম্বুপনিংখিবা অসিনা ঐবু মাম্বুপ য়ামনা মুণ্ডাইবা পীরে, ঐসু ইবুঙো অসিবু ঐগী ইশা অসি কংতুনা অমোক্তং পেনহনগে অহুম্না শ্রীকৃষ্ণবু পেলহননিংবা রতি অসি পোক্লকই। অহুনা মহাক্কী কৃষ্ণবু মুণ্ডাইহনিংবনা রতি অসি অহানবদা মাগী মুণ্ডাইনিংবনা হৌখিবা ওইবনা য়াম্না কুণ্ডসিনদে, য়োবা ওংদে, মাসিবু সধারণরতি কৌই। সাধারণা রতিগী লক্ষণদা "প্রায়া" হায়রে অসি হায়াগী মরমদি শ্রীকৃষ্ণবু উদারিকৈদা চুরগী ভাবনাচিংবদদি মাহুগুম্বা রতি অহু পোক্তে মুপনগী শ্রীকৃষ্ণব সাম্ভোগ ভৌবা পাম্বদি পোক্লবসু শ্রীকৃষ্ণবু ঐগী ইশা কতনা পেনহনগে হাইবা রতিদি পোক্লমদে। অমসু

অসিগুম্বা সাধারণী রতিনা কুংশিনবা ওমদবগী মরমদি কামগী মখলা কার্যদাদু নৈবা হোনে, মাহাক লং অংগাংবনা শাবা কাদি ওইরই, মাহুতুন্না মানা শ্রীকৃষ্ণবু উরগা মুত্তাইখিবনা থাদুনা পোক্কপা শ্রীকৃষ্ণবু মুত্তাইহনিংবাসু মানা মুত্তাইবা কৌবা কামগী ওপ অহুগা লোইনহুনা নৈবনা কৃষ্ণবু মুত্তাই-হনিংবাবু তশেং তশেংবা ওমদে, মরম অসিনা সাধারণী রতিনা কুণ্ডসিনবা (সান্দ্র ওইবা) ওমদে। সাধারণা রতিনা চাওখৎপনা প্রেম কাওবা য়োই(প্রেমাভিমান। উ:নী ১৬৪১।)

সমঞ্জসারতি - " পত্নীভাবাভিমানাত্মা গুণাদি শ্রবণাদিজা॥
কচিদ্‌ভেদিত সম্ভোগতৃষ্ণা সান্দ্রাসমঞ্জসা॥"

শ্রীকৃষ্ণগী গুণনাচিংবাবু ভাবনাচিংবদগী অহানবা পোকপা, ঐ- শ্রীকৃষ্ণবু পত্নী (ব্রাহ্মণ, মৈনা শাখী ওইহনু) ওইহনা লেললগে হায়না নিংবা, অমসু কম্বিগুনা মতমদা মাগী মত্তাইবা পাম। সম্ভোগগী ইচ্ছা পোক্কপা, মামনা কুণ্ডসিনবী রতিবু সমঞ্জসারতি কৌই। উদাহরণ কুণ্ডিননগরদা ভিষ্মক নিংথৌগী মচানুপী শ্রীরুক্মিণীনা নারদনাচিংবনা শকপা শ্রীকৃষ্ণগী গুণনচিংবাবু ভাবনাচিংবদগী ঐনা শ্রীকৃষ্ণগীদমক পেন্নবা ইশাকংথুনা সেবা ভোগে নিংখি। ইবেমাগী অসিগুম্বা শ্রীকৃষ্ণবু মুত্তাইহনিংবা রতি অসি মথং মথং কুণ্ডসিনকথুনা লোককী চৎনবী বিচারনা পন ওইনা নিংবাবু ইবেমাগী প্রেমনা মখংথুনা শাকথখে। মুপানা চৎনবাদা মুপাবু হাইজনা

চংনদে, নিপাতনা হাঙ্গৈজরগা মুপীনা ওইনা তানবা ওননা নৈরগা চংনবী প্রেমদা হেনগংলি। মাহৃ ইবেমানা ওইবা ওমদরে। দ্বারকা তাম্না ব্রাহ্মণ মচা অমা চংহন্দুনা ইবেমাগী অনঙ্গলেখা (চিঠি) অমা শ্রীকৃষ্ণদা পিহললি। চিথি অদুদা ইবেমাগী পুকনিং অপুম্না কোংদোকতুনা হাঈ। মরোনদি শ্রীকৃষ্ণনা কুণ্ডিন-নগরদা লেংলকতুনা শিশুপালনা চিংবদগী মুন্দুনা মাবু লৌবিম্নু অসিনি। ইবেমানা মুপী ওইবগী অথোইবা লন ইকাইবাবু হৃঞ্জেকতুনা মহাক্না মশামকপু কতুনা শ্রীকৃষ্ণবু পেলহনগে নিংবনা সাধারণ রতিদগী হেনবা সমঞ্জসারতি ওই। সমঞ্জসারতিদি শ্রীকৃষ্ণগী পেম্নবা তানিংবা মাগী মশাগী মুঙাইনিংবা সম্ভোগেচ্ছা য়াওদবগা থোকখিবনি। অদুনা মতুংদা করি ২ গুম্বদা রুক্মিণীনা চিংবাইবেমানা মাগী মুং-ঙাইনিংবা সম্ভোগেচ্ছা য়াওরকই, মাদুগী খুদমদি চরমধাতু থোকনা মচা পোকই। অদুম্না য়াওহনস্নু মহিষীসিংদা লৈবা সম্ভোগেচ্ছাদি শ্রীকৃষ্ণবু পেনহনগে নিংবা রতিনা পোকপনি কার্য্যদা কারণগী গুণনা প্রধান ওইনা মাহিষীসিংগী সম্ভোগেচ্ছাদি লৌশনি মসি থংনবগীদমক শাস্ত্রনা কচিং—করিগুম্বা মতমদা মাহিষীসিংগী সম্ভোগেচ্ছা ওই, অদুম্না হাই। অদুনা সমঞ্জসারতিনা মথং মথং হেনগৎপনা অনুরাগ ফাউবা য়োই।

সমর্থারতি— কিঞ্চিদ্বিশেষমায়ান্ত্যা সম্ভোগেচ্ছা যয়াভিতঃ।
রত্যা তাদাত্ম্যমাপন্না সা সমর্থেতি ভণ্যতে॥

সাধরণানে সমঞ্জসানে অনিদগী ভোঙানবা হাইনঙাই দৈংবা মতৌ অমা ওইবী, শ্রীকৃষ্ণবু পেলহনবা রতিনা (সম্ভোগেচ্ছা) মাগী মুঙাইনবা পখাগা মৃশা অমতা ওইনা তিন্নাখ্রবী রতিবু সমর্থা রতি কৌই। সম্ভোগ মথল অনি থোকই, মাহুদি চান্নবানা মরম ওইহুনা চান্নবী মাগী মুঙাইনবাগীদমক ওইবা সম্ভোগ অমা, অমনবু চান্নবী মহাক্না মরম ওইহুনা মাগী চান্নববু মুঙাইহনিংহুনা ওইবা সম্ভোগ অমনি। অসিগুম্বা সম্ভোগ মথল অনিসিগী মরক্তা অহানবগী সাম্ভোগনা কামনি অনিসুবনা রতিনি। অনিসুবা রতি কৌবা সম্ভোগনা চান্নবীনা মাগী মুঙাইবগী দমকনি, হাইনা নিংহুনা চান্নবগী-দমক্তা মুঙাইনবগীদমক্তা ওইহুনাসু চান্নবগা শোক্নরবদা থো-রকপা মুঙাইবাবু চান্নবীহুনা ফংদোই হাঞৈনা নিংবদি, নিংজৈ। হাঞৈবা মঙাই মাথাহেক্তা ফংফম থোকই, মতাং অসিদনি সমঞ্জসাগা সমর্থাগা খেন্নবা মফম অসিরাইদনি। কুব্জানা মাগী হকচাংবু ইথুংঙোদা কংহুনা ইথুঙোবু মুঙাইহনিংই তৌইগুবসুং কুব্জানা মাহুমনা নিংলকপাহু মালা শ্রীকৃষ্ণবু, উবদা মুঙাইখিবা, মাগী ইন্দ্রিয়গী মুঙাইবনা ঐনা মুঙাইবনি শ্রীকৃষ্ণবুসু মুঙাইহনগে নিংলকপানা কারণদা মাগী মুঙাইনবা ওইথোকনা শ্রীকৃষ্ণগী থোগন তৌরকপদা শ্রীকৃষ্ণগা শোকন-করবদা মানা মুঙাইরকপা অহু কুব্জানা খিংবা অমদে, কুব্জানা শ্রীকৃষ্ণবু মুঙাইহনগে নিংহুনা থোগলতৌরবদা মাহু

মুত্তাই। পুরগী মহারাণী ইবেমাসিংনা শ্রীকৃষ্ণগী মুত্তাইনবগী-যমক মনুমক কৎতুনা সেবাকৎলবা মতমদা শ্রীকৃষ্ণ শ্রীঅঙ্গগা শোকনরুবাগী মুত্তাইবা অমা মাংখাইদা ওইরকপা অহু থিংবা ঙমই, অহুমনদি ঙমলগা মতম পুমনমক্তা চানননা ঙমদে, ইবেমাসিংদাসু থরা ওইরকপা মতম নৈ, মরম অহুনা ইবেমাসিংগী মতিনা অনুরাগ কাওবা চাওথরদি.

মরম অসিনা শ্রীভাগবতনা হায় পুরগী ইবেমা পুমনমক্না শ্রীকৃষ্ণবু ফাবা ঙমদে।

" পত্ন্যস্তু ষোড়শ সহস্রমনঙ্গবাণৈ
যস্যেন্দ্রিয়ং বিমথিতুং করণৈর্ন শেকুঃ।"

শ্রীকৃষ্ণগী নৈমা লিশিং তরাতরুকনা কাম্নগী তেনখিবিকনা মরম ওইহনা শ্রীকৃষ্ণগী ইন্দ্রিয়বু শোইহৎপা ঙমখিদে, অসুম্না হাইরিবা অহু ইবেমাসিংনা শ্রীকৃষ্ণগা শোক্নরবা মতমদা ওইরকপা মুত্তাইববু মরক মরক্তা থিংবা ঙমদবা মরমননি। মাহুদা মথাগী মুত্তাইববু থিংবা ঙম্বদি মুপনগী সমর্থারতিতনি, মাহুবু ঙমই, হাইহনা সমর্থা (স্ত্রী) রতি কৌই। ব্রজগোপীতদা ওই। মরম অসিনা ব্রজ-গোপীদি ইকাইবা, অকিবা, চৎনবী ধর্ম, পুমনমক থাদোকপাদা করি অমতা থদে অসুম্না শ্রীভাগবতনা হাই " যদর্থে ত্যক্ত-লোকবেদ স্বানাং"

পুরগী ইবেমাসিংদি মুপী ওইবাগী ইকাইবা থাদোকপাদি

ওমই. মানা কুণ্ডিন নগরদগী শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চৎরু-দবদা লোক বাদ, মপা, মবুংনচিংবগী গঞ্জনা কিহুনা চৎপা ওমদে, বেদগী ধর্ম্ম বিবাহ যজ্ঞ তৌবা, ব্রাহ্মণনা শাক্ষী ওইবা অহু তৌবিনবাগীদমক মীথাহুনা নিজে, মাহুনা বেদগী ধর্ম্ম, সমাজগী ধর্ম্ম, লোক ভয়, গুরুজনগী ভয় থাদোকপা ওমদে। গোপীদি—মাহু ইরাই লাইনা থাদোকখি, অহুনা মহানুভাব শ্রীরূপগোস্বামীপাদগী তাইবংদা ওইখিত্রিবা রাহৈনা গোপীগী সমর্থারতিবু "সর্ব্ববিস্মারিগন্ধা" কৌরমই। মাহুগী অর্থদ গোপীসিংনা শ্রীকৃষ্ণগী থৌগন তৌরকপা মতমদা শ্রীঅঙ্গগা শোক্ষরুবদগী মখোইদা ওইরকপা মুঙ্গইববু মাখোইনা লৌবাদ থম্রহুনা মনম ফাউবা গোপীদা লৈতে, অহুনা গোপীগী সমর্থা রতি দ মথং মথং মহাভাব ফাউবা চাওখংলি। শ্রীকৃষ্ণনা গোপীদা "বদ্ধ" সৌরতনি, হায়বদি চরমধাতু অলিত ওইদে, গোপীদাসু মুপীগী চরমধাতু লৈ শাংডে।

মূলং—তত্তশ্চ মুগ্ধা মধ্যা প্রগলভা ইতি ত্রিবিধাঃ। মধ্যা মানসময়ে ধীরামধ্যা; অধীরামধ্যা. ধীরাধীরা মধ্যা ইতি ত্রিবিধাঃ। যা সাগসং প্রিয়ং বক্রোক্ত্যা সোৎপ্রাসং বক্তি সা ধীরা মধ্যা। যা রুষা পরুষৈব বৈক্যৈর্ণিরস্তং নিরস্যেৎসা অধীরা। যা প্রিয়ং বক্রোক্ত্যা সবাষ্পং বদতি সা ধীরা ধীরা।

অতুগী মথংদা মুগ্ধা, মধ্যা, প্রগল্‌ভা অমুম্না অহুম থোকই। অহুম থোকলিবি অসিগী মন্নংদা মধ্যানা মানগী মতমদা ধীরা মধ্যা, অধীরা মধ্যা অমসুং ধীরাধীরা মধ্যা অমুম্না অহুম থোকই। মানগী মতমদা দেখ নৈরব। চান্নবাবু বক্রোক্তিনা (থেদোকপা কারমনবা রাহৈনা) লাউনা ঙাংবীবু ধীরা মধ্যা কৌই, উদহরণ—"নংনা ভোগদবদি মাসিন্দিনা নত্তিক চাইদা হেইবুডো, নমীংকী কাজল মখোংগী যাবক, মকুপনা নণা অপুম্বা থম্রে. হেমুঙাং মহাদেব নরাইপক্তা থা মচেং থোকলিবা, ঐনা নথম্তা উবা চুমদে, হাই, হৌনদে হেশাগী মপু, নংনা লুনা তৌজবী নবেমবু নণাগী ভংথাই ওইহুনা কৈদৌহনা লাক্লো "চং—লো রাহে অসি লাউনা হাঙ্গইহনা শ্রীরাধানা খণ্ডিতা বস্থাদা শ্রীকৃষ্ণবু কারম্নবনি, অর্থদি ঙরাং অতিংদা চান্নবীনা শ্রীকৃষ্ণবু নমথুহুনা চুপ্পা

মাইদা থুজিললনা থোৎপদা শ্রীকৃষ্ণগী মীৎতা তৈবা কাজল, চাইথোকলিবা, চান্নবাগী খুয়াদা তৈবা য়াবক অঙাং বনা শ্রীকৃষ্ণগীহকচাং অপুম্বদা চহুনা মরাং মরাংবা অহু বু নীললোহিত মুনাঙাংবা মহাদেবদা পানথৈ তৌহুনা চান্নবীনা থুজিন্না হোৎপগী মম্নিবু লাইপক্তা থোকপা মহাদেবগী থামচেং ওইনা পান্দমই। মহাদেবদি ওইথংবা হকচাং তথ্যাইনা উমাগী ওইহুনা মুমিৎ চুপপা মতুনা নাকল অমা ওইহুনা লৈমম্রৈ, নংদি নতু পুরক্তবা চুমদে, ঐনা

নথন্তা উনিংবে, চৎলো হাঙৗনা লাওই। মাসি য়ান্না নহান্ন ওইদবী মপুক তপপী মুপীনা মরাদা মান তৌবদা মাসি-গুম্বা য়াহৈ অসি পানথৈ তৌহুনা লাওনা হাঙৗ, মাদুদি শ্রীমতী রাধিকানা কৃষ্ণদা হাঙৗ অশুম্বা বিশ্বনাথন পাদনা পামই।

অভিরামধ্যাদি সাউহুনা অয়াকপা য়ৌথং হাঙৗহুনা চান্নবাবু তানথোকপবু অভীরামধ্যা কৌই। উদাহরণ হেকংসগাএরুবা! ওরাং মুমদাং নংগী চান্নবীগী রাংলবা শবাকতা নৈনকবা নরিক অসিনা মুমদাং সান্নরুরে হাঙৗনা ঐভোন্দা তাকলে, লৌনম তৌবী আভীর নিঙোননা সুম-হৎতুনা ঙাওরবা! লৌনম তৌহুনা নত্তবা রাঙাংনা শরিক খিংবিরম্মু তানিংদে থুনা চৎলো নৈবা য়াদে সিদা।

ধীরা ধীরাদি পানথৈ তৌহুনা চান্নবাবু মাংতা পী তানা হাঙৗ।

উদাহরণ " হে গোপ নিংথৌগী মচা! কপকম্মু চৎলো চৎলো, নংগী থমোইগী মবেমা অহুনা সাউগনি, নকোকথক্তা নৈবা লুহুপ মতোননা নবেমাগী থুম্নাদা তৈবা যাবককী লৈথোম্মু হুরকলে, অমোক মখুনা মাগী মথোংদা তৈবিহুনা লৈতেংবিরু।

ব্যাখ্যা—য়াহৈ অসি ইবেমা শ্রীরাধানা হাঙৗরিবনি গোপ নিংথৌগী মচা কপকম্মু হাঙৗবদি নংগুম্বা নিংথৌমচা-

মবু কপ্পা হৌনবগ্না ঐতা মকপচগে হাঙৈবনি, রাহৈ অসিনা ইবেমা মশানা পী তাদুনা হাঙৈরিবনি মান তৌব। মতমদা মুগ্ধা ওইবীনা হৈতাহুনা কপ্পুনাতা দৈ।

মধ্যাদ'দ মুগ্ধাগী কপপস্থ য়াওরগা মুগ্ধাবু সানথোরকপনা কপনাঃ রাঙাংই, মধ্যাগী অবস্থা যৌবননি ।
অমস্থ রাহৈ অসি তশেং তশেংনা হাঙৈবনা ধীরা ওইবী দুপীগী বাঙৈনি মথংদা হাঙৈবা" চংলো চংলো থমোইগী মবেমানা সাওগনি " হাঙৈবদি মাস্থুম্না এবু কপ্পুনা থুক্রমই হাঙৈবসি তারগা নবেমানা সাউগনি হাঙৈ অসিনা শ্রীরাধাগী বাহৈনি অমস্থ হাই" নাকোক্তা লৈবা লুহুপ মতোননা নবেমাগী থুম্নাদা তৈবা থবাক্কী লৈথোম হুরকলে, হাঙৈবদি নংনা নবেমাবু য়ানবা মথোংদা নাকোক্কা শোক্কা থুক্রম্বদা নবেমাগী থুম্নাদা তৈবা যাবকপু নংগী লুহুপ—

মতোম্না হুরকলে, অহুনা হুক্তিক ঐঙোম্না থুক্রম্বসি তারগা সাওরবদা নংনা হুরকপা যাবক্কী লৈথোমদু অমোক হুন-বিহুনা মথোইদা তৈবিরু চংলু মাহুম তৌহুনা সাওবা থেম্মু চংলো, হাইবনি, রাহৈ অসি বক্রোক্তিনি পানথৈ তৌহুনা চৈবনি, চৈবা অসি য়াম্না হৌনা চৈরগা ধীরাগী বাহৈনি, মকম্ অসিদদি অধীরাগী ধীরাগা মচেং মচেং য়াম্নবনিনা অচৈবা রাহৈ অসি নেমনা হাঙৈ। অসিনা চিংবা থংনগনি।

মূলং—তত্র প্রগল্ভাপি ধীর প্রগল্ভা অধীর প্রগল্ভা ধীরাধীরা প্রগল্ভা চেতি ত্রিবিধা। তত্র নিজরোষ গোপনপরা সুরতে উদাসীনা যাসা ধীরপ্রগল্ভা, পালিকা চন্দ্রাবলী ভদ্রা চ। নিষ্ঠুর তর্জনেন কর্ণোৎপলেন পদ্মেন বা-যা শ্রীকৃষ্ণং তাড়য়তি সা অধীরপ্রগল্ভা শ্যামলা। রোষ সংগোপনং কৃত্বা কিঞ্চিৎ তর্জনং করোতি যা সা ধীরা ধীর প্রগল্ভা মঙ্গলা। মুগ্ধাস্তিবোষেণ মৌনমাত্রপরা একবিধৈব। এবং ত্রিবিধা মধ্যা প্রগলভা ত্রিবিধা মুগ্ধা একবিধা। স্বাকীয়া পরকিয়া ভেদেন চতুর্দশবিধা কন্যা মুগ্ধৈবৈকবিধা ইতি পঞ্চদশবিধা নায়িকা ভবন্তি ইতি—

প্রগল্ভানায়িকাসু ধীরাপ্রগল্ভা, অধীরা প্রগলভা, অমসু ধীরা ধীরা প্রগল্ভা অসুম্না মথল অহুম থোকই। মা-তুদা নঙাকী অসাওববু লোৎসিনবী সুরতদ য়াদবীবু ধীরা প্রগল্ভা কৌই মাতুদি পালিকা, চন্দ্রাবলী অমসু ভদ্রানি। থিনা-চৈত্নুা নাদা চিনবা থরোনা থম্বাননা শ্রীকৃষ্ণবু ফুবিবু অধীরা-প্রগল্ভা কৌই মতুদি শ্যামলানি। অসাওববু লোৎসিনবী থজিকৎ চৈবীবু ধীরা ধীরা প্রগল্ভা কৌই মাতুদি মঙ্গলানি। মুগ্ধাদ সাওত্নুা য়াঙাংদনা নৈ, মহাক্তি মথন অমত্তনি। মাসুম ভৌত্নুা মধ্যা মখন অহুম, প্রগল্ভা অহুম অমসু মুগ্ধা অমা সুপনা নায়িকা তরেৎ সুরে। স্বকীয়া অমসু পরকীয়া হা-ঙনা তরেৎপু অনি থোকনা থাইরগা তরামরি সুই, মতুদা কন্যা

ওইবী মুগ্ধা মখনঅমা হাপলগা তরামণ্ডা মরে। মান্নম তৌহন্নী নায়িকা মখন তরা থোকই।

বিবৃতি " প্রগল্ভা পূর্ণতারুণ্যা মদান্ধোরুরতোৎসুকা।
ভূরি ভাবোদ্গমাভিজ্ঞা রসেনাক্রান্তবল্লভা॥
অতিপ্রৌঢ়োক্তিচেষ্টা সৌ মানে চাত্যন্তকর্কশা॥"

প্রগল্ভা নায়িকা কৌবদি পূর্ণ তারুন্যা (মথোংকাবগী মওং সুরবী থিক্থা নিংম পুং ফানা নোইবা অমসু মীৎনহা ত-থকপা) মদান্ধ(রতিসুখনা অতৈ কাউহনা ঙকপা) উরুরতোৎসুকা (সুমিৎ চূপপা রতিগীদমক্তা খৌরাংহনা লৈবা—পেনবানাইদবা) ভূরি ভাবোদ্গমাভিজ্ঞা (মতম অমত্তদা ভাব য়াম্না পুলপ থোকনবা হৈবা) রসাক্রান্ত বল্লভা (সম্ভোগা য়াম্না ওইহনা পেল্লবা চান্নবনা ঐগী খুত্নমদা লৈবা ওইসনু নিংবা) অতি প্রৌঢ়োক্তি চেষ্টা (সম্ভোগ রতীলীলাবু থোইগৎনা হাঙৈনবা হোৎনবা) মানেচ অত্যন্তকর্কশা ওইবা (য়াম্না কন্না মান তৌবা হাঙৈবদি চান্নবনা থেম্বদা কোকঙমদবা মান তৌবা দুর্জয়মান তৌবা) হাঙৈগ্রবা মওংসিং অসি প্রগল্ভা না-কাঃদাওই।

অসিগুম্বা প্রগল্ভা নায়িকা অসি ধীরা অধীরা অমসু ধীরাধীরা হাইনা খাইরি, মাহুদি—মপুং ফারবী নায়িকানা ধীরা—অতপ্পী ওইরগা মানগী মতমদা মপুকতা সাওনিং-বাবু মপান্দা উহনজে, অতুগা য়াম্না ব্যবহার তৌই, সুরত লীলা ওইদে হাইনা চান্নবনা থৌরাং তৌবাবু য়াদে।

প্রগলভা নায়িকানা অধীরা—তপতবী ওইরগা চান্ন-বাবু সাওহ্না খিনা ভৌহ্না তানখোকই, অহুগা মুংসি-বাবু মূই।

প্রগল্‌ভা নায়িকানা ধীরাধীরা,—তপপগা তপতবগা য়ান্নবী, ওইরগনা তপপী (ধীরা) গী অমসু তপ্তবী গা মওং অনিহু য়ান্নবা চংলি। মাস্তুম ৫ত৷ মুগ্ধা খারগা নায়িকা মখল ১৫ মূই।

অ। নায়িকাঃ।

অভিসারিকা, বাসক সজ্জিকা, বিরহোৎকণ্ঠিতা, বিপ্রলব্ধা, খণ্ডিতা, কলহান্তরিতা, প্রোষিতভর্ত্তৃকা; স্বাধীন ভর্ত্তৃকা। অভিসারয়তি কৃষ্ণং স্বয়ংবাভিসরতি যা সাভিসারিকা নিজংকুঞ্জ মন্দিরে সুরতশয্যাসনং মাল্য তাম্বূলাদিকঞ্চ মদপোৎ সুকা করোতি যা সা বাসকসজ্জিকা। কৃষ্ণে বিলম্বে সতি তেন বিরহেণ উৎকণ্ঠ্যতে যা সা বিরহোৎকণ্ঠিতা। যদি নায়া তোব কৃষ্ণস্তদা তেনবঞ্চিতা যা সা বিপ্রলব্ধা। প্রাতরাগতংম অন্যকান্তাসম্ভোগচিহ্নযুক্তং কৃষ্ণং রোষেণ পশ্যতি যা সা খণ্ডিতা। মানান্তে পশ্চাত্তাপং করোতি যা সা কলহান্তরিতা কৃষ্ণস্য মথুরা গমনে সতি যা দুঃখার্তা সা প্রোষিত ভর্ত্তৃকা। সুরতান্তেবেশাদ্যর্থং যাকৃষ্ণমাজ্ঞাপয়তি সা স্বাধীনভর্ত্তৃকা এবং পঞ্চদশানামষ্টগুণিতত্বেন বিংশত্যুত্তরশতানি। পুনশ্চো ত্তম মধ্যমকনিষ্ঠত্বেন ষষ্ট্যুত্তরাণি ত্রীণিশতানি।

নায়িকা ভেদাণাং তাসাং ব্রজসুন্দরীণাং মধ্যে কাশ্চিন্নিত্য-সিদ্ধাঃ শ্রীরাধা চন্দ্রাবল্যাদয়ঃ । কাশ্চিদ্ সাধন সিদ্ধাঃ । তত্র কাশ্চিৎ মুনিপূর্ব্বাঃ কাশ্চিচ্ছ্রুতিপূর্ব্বাঃ কাশ্চিদ্ দেব্য ইতি জ্ঞেয়াঃ । ২ ।

হুব্রিক্তি অষ্ট নায়িকা হায়রি অভিসারিকা,২বাসক সজ্জিকা ৩ বিরহোৎকন্ঠিতা, ৪ বিপ্রলব্ধা ৫ খণ্ডিতা, ৬ কলহান্তরিতা, ৭ (প্রোষিতভর্ত্তৃকা) অমসু ৮ স্বাধীনভর্ত্তৃকা নিপান অসিনি। ১নায়িকানা শ্রীকৃষ্ণবু সঙ্কেতস্থান (উনসি হায়না খংনবা মফম)দা চংহনবা অমসু মানা চংপা অহুগুম্বা নায়িকাবু অভি সারিকা কৌই ।

মহাক্কা ইকাইহুনা মশাবু লোংলি, নুপুরনচিংবা অলংকার মখোন হোৌহনদে, ফীরুপ খোংজিললি। মমুংগী চান্নবী সখী অমত্তা লোইনৈ । ২ শ্রীকৃষ্ণনা নং কুঞ্জদা লৈরমউ, ঐ থুনা লাকনি হায়না ত্তাক্তুনা কুঞ্জদা লৈরম্দা মহাক্কী হকচাংবু অমসু লৈফমু শয্যা থাহুনা লৈ, পানাল্লাচিংবা রতিবু খোরাংহুনা শেমশাবাবু বাসকসজ্জা কৌই । অসিগুম্বী অবস্থ দা লৈবী নায়িকানা তৌবা থবক্তি হো-রেন শ্রীকৃষ্ণ লেংলকলগা মাস্থম মাস্থম সান্নহুনা ইবুঙো মুণ্ডাইহনগে খনবা, শ্রীকৃষ্ণনা লেংলক্কদবা লম্বেনদা লেংলক্লবরা এংবা, সখীনা তম্নবা মুণ্ডাংবাবু, শ্রীকৃষ্ণগী পাও তাবা, হুত্তীবু হন্না ২ এংবা অসিনি ।

২ বাসক সজ্জিকা · কুঞ্জ মন্দিরদা শ্রীকৃষ্ণ লেংলক্লগা সাম্নবা—সুরতশয্যা শেম্বা, মদনগী দমক পুক্লংদা লাওত-কপা,বু বাসকা শজ্জিকা নায়িকা কৌই। ৩ যাম্মুম্না শ্রীকৃষ্ণবু ঙাইবদা শ্রীকৃষ্ণনা লেংলক্তবদা খিল্লবদা খোল্লাংনা ৱানা ঙাইবাবু বিরহোৎকণ্ঠিতা নায়িকা কৌই। ৪ শ্রীকৃষ্ণনা মংলেংলকতরবদা শ্রীকৃষ্ণবা শীক্লনি হায়ৈহুনা মীনম্বোরবী, ঐ অরেম্বা ওইরে. শ্রীকৃষ্ণ লেংলকপম্লোই হায়ৈনা ৱারবীদু বিপ্র-লব্ধা নায়িকা কৌই। ৫। নোংঙাম্লক্লবদা শ্রীকৃষ্ণনা অতো-পপী—নায়িকাগা সাম্নরবগী খুদম পুহুনা লেংলকপা উরগা সাউরবাবু খণ্ডিতা কৌই। ৬। মান তৌহুনা শ্রীকৃষ্ণবু তানখোকখ্রগা তুংদা ৱাহৌবীবু কলহান্তরিতা কৌই। ৭। শ্রীকৃষ্ণনা মথুরাদা লেংখ্রবদা ৱাহৌববাবু প্রোষিত ভর্তৃকা কৌই। ৮। শ্রীকৃষ্ণগা সুরত লীলা সাম্নবা লোৎরগা ফীরোল অলঙ্কার তোবীয়ু হাইরবীবু স্বাধীনভর্তৃকা কৌই।

হায়ৈখ্রবা নায়িকা মখল ১৫ বু ৮ অমনা পুম্নগা নায়িকা ১২০ সুরে। নায়িকা ১২০ বু উত্তম, মধ্যম; অমসু কনিষ্ঠ,—হায়ৈবদ অথোইবী. মম্লাই অমসু অতোনবী অসুমনা অহুমনা অমোক পুম্নমগা নায়িকা ৩৬০ চহুম হু—মফু সু-ই।

হায়ৈখ্রবী ব্রজ দেবী সিং অসি কনাগুম্বী সিংনা নিত্য-সিদ্ধানি মাখোই অহ্লাদ—শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপা শক্তিনা ওইবান শ্রীকৃষ্ণদগী তোঙানবা নত্তে।

কনাগুম্বী সিংনা সাধন সিদ্ধানি মাথেই অমুদি তরুন তৌদুনা ব্রজ গোপী ওইনা পোকলবীনি। মাথোই অমুদি—কনাগুম্বা সিংনা মুনিনা পোক্লুরবনি. মাথোই অমুবু মুনিপূর্ব্বা—মুনিচরী, হায়রা মুনি ওইরম্বী কোই, কনাগুম্বা সিংনা বেদনা ওইবী গোপীসিং য়াওই; মাথোই অমুবু শ্রুতিচরী কোই, কনাগুম্বী সিংনা লাইগী মুপীনা ওইবীনি মাথোই অমুদি দেবী কোই।

মূলং—অথ স্বভাবাঃ। কাশ্চিৎ প্রখরাঃ শ্যামলাদিয়ঃ।
কাশ্চিদ্ মধ্যঃ শ্রীরাধাপালি প্রভৃতয়ঃ। কাশ্চিদ্ মৃদ্বিতি খ্যাতঃ চন্দ্রাবল্যাদয়ঃ।

হৌজিক্কি স্বভাব হায়রি। কনাগুম্বীসিংনা অথেং—অথেং লওবানি, মদুদি শ্যামলা চিংবীসিংনি কনাগুম্বী সিংনা মরাই ওই, মাদুদি শ্রীরাধা অমসু পালানাচিংবীনি। কনাগুম্বীসিংনা অমোনবানি, মাদুদি—চন্দ্রাবলীনাচিংবীনি।

অথ সপক্ষঃ সুহৃৎপক্ষঃ তটস্থপক্ষঃ
বিপক্ষ ইতি ভেদ চতুষ্টয়ংস্যাং। তত্রাপি কাশ্চিৎ বামাঃ
কাশ্চিৎ দক্ষিণাঃ চ। শ্রীরাধায়াঃ সপক্ষঃ ললিতাদিঃ।
সুহৃৎপক্ষঃ শ্যামলা যুথেশ্বরী। তটস্থপক্ষঃ ভদ্রাদিঃ।
প্রতিপক্ষঃ চন্দ্রাবলী।
তত্র কাশ্চিৎ বামাঃ কাশ্চিদ্ দক্ষিণাঃ স্যুঃ।
শ্রীমতীরাধা বামাঃ মধ্যা নীলবস্ত্রা রক্তবস্ত্রাচ।

ললিতা প্রখরা, শিখি পিচ্ছবসনা। বিশাখা বামা, মধ্যা, তারাবলী বসনা। ইন্দুরেখা বামা প্রখরা অরুণবস্ত্রা রঙ্গদেবী:দেব্যৌ বামে প্রখরে রক্ত বস্ত্রে। সর্ব্বা এব গৌর বর্ণা: চম্পকলতা বামা মধ্যা নীলবস্ত্রা চিত্রা দক্ষিণা মৃদ্বী নীলবসনা। তুঙ্গ বিদ্যা দক্ষিণা প্রখরা, শুক্লবস্ত্রা চ। শ্যামলা বামা দাক্ষিণ্যযুক্তা প্রখরা রক্তবস্ত্রা। ভদ্রা দক্ষিণা মৃদ্বী চিত্রবসনা চন্দ্রাবলী দক্ষিণা মৃদ্বী নীলবস্ত্রা। অস্যা: সখী পদ্মা দক্ষিণা প্রখরা। শব্যা দক্ষিণা মৃদ্বী। সর্ব্বা এব রক্তবস্ত্রা:। ৩॥

ছুক্তিক্তি গোপীসিংবু মথন মরি থোকনা অমোক থাইমোকলি. মচু দি গোপী পুম্নমকপু শ্রীমতী রাধাগী কাংলুপপু সপক্ষ (সমান: পক্ষ:) কৌই; শ্রী রাধাগী চান্নবু সুহৃৎপক্ষ,— শ্রীরাধাগী চান্নবা নত্তবী, বিপক্ষসু নত্তবী মরক্তী কাংবু অমা মাখোই অচুবু তটস্থপক্ষ কৌই। মথন অমনা শ্রীরাধাগী এরুথা কাংবু অমা মাচুবু বিপক্ষ (বিরুদ্ধ: পক্ষ:) কৌই।

হাজৈখ্রব্য সপক্ষ, সুহৃৎপক্ষ, তটস্থপক্ষ, অমসু বিপক্ষ মথন মরি অসিদা, বামা অমসু দক্ষিণা অমম্না মথন অনি যাও লৈ। পুকনিং ফোংদবী, বু বামা, অমসু নিংলিবাবু. হফোং ফোংবীবু দক্ষিণা কৌই।

শ্রীরাধাগী সপক্ষনা শ্যামলা কৌবী যুথেশ্বরীনি। তটস্থপাক্ষনা ভদ্রানি। বিপক্ষ=প্রতিপক্ষনা চন্দ্রাবলী–নি। মাখোই অসি কনাগুম্বীনা বামা, কনাগুম্বীনা দক্ষিনা ওই।

শ্রীমতী রাধাদি বামানি. মধ্যানি, নীলবস্ত্র অমসু রক্ত বস্ত্রা (ফী অসংবসু অঙাংবাসু খোল্লি)। ললীতা সখীনা প্রখরা (তখেং ২ ই) শিখিপিঞ্জলসনানি (রাহোং মতু মমিং-কুম্বা ফা শেংলী) বিশাখানা বামানি, মধ্যানি তারাবলী বসনা নি (থবাল মচাক ময়াম থোকপাগুম্বা ফী শেংলি)। ইন্দুলেখানা বামা. প্রখরানি, অরুনবস্ত্রা (ফী অঙাংবা শেংলি)। রঙ্গদেবী অমসু সুদেবানা বামানি. প্রখরানি রক্তবস্ত্রনি (অঙাংবা ফা শেংলি)। হাঈথ্রবা পূন্নমক অসি কুচু ঙোই, চম্পকলতা না বামানি, মধ্যানি, নীলবসনা (ফী অমুবা শেংপীনি)। চিত্রা দক্ষিণানি. মৃদ্বী (অমোনবী) নি. নীলবসনা (ফী অমুবা শেংপীনি,) তুঙ্গ বিদ্যানা দক্ষিণানি, প্রখরানি, শুক্লা-বস্ত্রা (ফী অঙৌবা শেংপীনি)। শ্যামলানা বামা অমসু দক্ষিণা অনিমক য়াবে, প্রখর নি, রক্তবস্ত্রা (অঙাংবা ফীশেংলি) ভদ্রনা দক্ষণানি. মৃদ্বী (মোনবী) নি, চিত্রবসনা (ফী অরাংবা শেংলি)। চন্দ্রাবলীনা দক্ষিনানি, মৃদ্বী (মোনবী) নি, নীল-বসনা (ফী অসংবা) নি। মহাকী সখী পদ্মানা প্রখরানি দক্ষিণানি। শব্যানা দক্ষিণানি মৃদ্বী (মোনবী) নি। মাখোই অসিনা কুচু ঙাঙই।

অথ দূতীদ্বিবিধা। স্বয়ংদূতী আপ্তদূতীচ।
তত্র আপ্তদূতীচ ত্রিবিধা। অমিতার্থা নিসৃষ্টার্থা পত্রহারিণীচ
বাক্যং বিনা ইঙ্গিতে নৈব যা দৌত্যং করোতি সা অমিতার্থা
যা আজ্ঞয়া সমস্তং কার্য্যং করোতি ভারং বহতিচ সা নিসৃষ্টার্থা
যা পত্রেণ কার্য্যং কারোতি সা ধারয়তিচ সা পত্র হারিণী। তাঃ
শিল্পকারিণী দৈবজ্ঞা লিঙ্গিনী পরিচারিকা ধাত্রেয়ী,
বনদেবী, সখী চেত্যাদয়ঃ। ব্রজে বীরা বৃন্দাবংশীচ কৃষ্ণস্য
দূতীত্রয়ং। প্রগলভবচনা বীরা, বৃন্দাচ প্রিয় বাদনী,
সর্ব্বকার্য্যসাধিকা বংশী। ৪।

হন্জিক্তি দূতী মথল অনিবু হাঙ্গৈরি। স্বয়ং দূতী

অমস্তু আপ্ত দূতী অমুম্না থোকই। আপ্ত দূতী মথল
অহুম থোকই আপ্ত দূতীদি মথল অহুম থোকই। অ-
মিতার্থা, নিসৃষ্টার্থা অমস্তু পত্রহারিণী অহুম অসি আপ্ত
দূতী ভাক্কনি চিন্না হাঙ্গদবাস্তু ইঙ্গিতনা পাওচংপীবু অমিতার্থা
দূতী কৌই। চিন্না থৌদা ফংলগা থবক অপুম্বা থোক্লব।
থবক তৌবী দূতীবু নিসৃষ্টার্থা দূতী কৌই, চিঠীপুত্থনা
দূতীগী থবক তৌবিবু পত্রহারিনী দূতী কৌই।

দূতীসিং অসি লাইএকপানাচিংবা খুৎসাহৈবী শিল্পকা-
রিনী; জ্যোতিষগী মরোন ভাংবী দৈবজ্ঞা অমা, যোগতৌবী
ফীতাংশেৎপী লিঙ্গিনী অমা সেবা তৌবা পরিচারিকা অমা

তপসী স্তোকচরীণী মতা গুহ্বী ধাত্রেয়ী অমা বনদেবী বনগী মত্রেমা অমা, সখী অমা অসিনাঃশ্রী দতী মথন মহাত্ম নৈ।

ব্রজধামদা শ্রীকৃষ্ণসী দূতী অহমপি, যাদৃদি বীরা, বৃন্দা; অনন্তবংশী অহম অসিনি। বীরাদি বাক্যংবদা বো-ইনা তাংই, বৃন্দা অমেংবা মুক্তাইগণবা বা তাংই বংশীনা শ্রীকৃষ্ণসী খবকপুষা বোকহনাল।

অথ সখী পঞ্চবিধাঃ। সখী নিত্যসখী প্রাণসখী প্রিয়সখী পরম প্রেষ্ঠসখী। এবাং মধ্যে—কাচিৎ সম স্নেহা কাচিৎ অসম স্নেহা। যা কৃষ্ণে স্নেহাধিকাসা সখী। বৃন্দা কুন্দলতা বিদ্যা ধনিষ্ঠা কুসুমিকা তথা কামদা নাম্ন্যৈষা সখী ভাববিশেষভাক্।

যা রাধিকায়াং স্নেহাধিকা সা নিত্যসখী। নিত্যসখ্যস্তু কস্তুরী মনোজ্ঞা মণিমঞ্জরী সিন্দুরা চন্দনবতী কৌমুদী মদিরাদয়ঃ। তত্রমুখ্যা যা সখী স্নেহাধিকা সা প্রাণসখীউক্তা। জীবিতসখ্যস্তু তুলসী কেলীকন্দলী কাদম্বরী শশীমুখী চন্দ্ররেখা প্রিয়ম্বদা মদোন্মদা মধুমতী বাসন্তী। কলভাষিণী রত্নাবলী মালতী কর্পূরলতিকা দয়ঃ।

এতা বৃন্দাবনেশ্বর্য্যাঃ প্রায়ঃ সারূপ্যমাগতাঃ। মালতী চন্দ্রলতিকা গুণচূড়া বরাঙ্গদা মাধবী চন্দ্রিকা প্রেমমঞ্জরী তনুমধ্যমা কন্দর্পসুন্দরীত্যাদ্যাঃ কোটি সংখ্যা মৃগীদৃশঃ প্রিয়সখ্যঃ। তত্রা মুখ্যা যা সা পরম প্রেষ্ঠসখী। ললীতা চ বিশাখ্যা চ চিত্রা চম্পক বল্লিকা। রঙ্গদেবী সুদেবী চ তুঙ্গ বিদ্যেন্দুরেখিকা। যদ্যোপ্যেতাঃ সমস্নেহস্তথাপি—শ্রীরাধায়াং পক্ষপাতং কুর্ব্বন্তি। ৫।

হাজিক্তি, সখী মথল মতা হাঁউরি। সখী, নিত্যসখী প্রাণসখী, প্রিয়সখী পরমশ্রেষ্ঠ সখী মতা আসিনি। মাথোই আসিগী মরক্তা শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনিবু চপমানবা হুংসিবা অমসু অমাবুনা হেনবা অসুমনা অ ন থোকই। শ্রীকৃষ্ণবুনা হেন্না হুংসিবানাবু সখী কৌই। মাহুদ;—বৃন্দা, বৃন্দলতা, বিদ্যা, ধনিষ্ঠা, কুসুমিকা, কামদা, আত্রেয়ী—মাথোই অসি সখী ওাক্লানি।

শ্রীরাধাবুনা হেন্না হুংসিবীনা নিত্য সখী কৌই, মাহুদি —কস্তুরী, মনোজ্ঞা, মণিমঞ্জরি, সিন্দুর, চন্দনবতী কৌমুদী অমসু মন্দির আসিনা চিংবা ন। নিত্যসখীগী মরক্তা থোই-দোক হেন্দোকনা ইবেমাবু হুংসিবা প্রাণসখী কৌই, জীবিত সখী কৌই, মাহুদি- তুলসী, কেলীকন্দলী, কাদম্বরী, শশী

মুখী, চন্দ্ররেখা, প্রিয়ম্বদা, মদোন্মদা মধুমতী, বাসন্তী, কলভাষিনী, রত্নাবলী মালতী কর্পূরলতিকা অসিনা চিংবীনি, মাংখাই অ স প্রাণসখী হাঙ্গবদি জীবিতসখী কৌই। মাখোই অসি, শ্রীরাধাদা মান্নবা ওইনা ভৌই, মালতী; চন্দ্রলতীকা গুণচূড়া; বরাঙ্গদা; মাধবী; চন্দ্রিকা, প্রেমমঞ্জরী, তনুমধ্যমা, কন্দর্প—সুন্দরী, অসিনা চিংবী কোটি অমা সুবা সখী অমোমগী মীং মানবীসিংবু প্রিয়সখী কৌই। মাখোই অহুগী মরক্তা লুচিংবীবুনা পরমশ্রেষ্ঠসখী কৌই।

ললীতা, বিশাখা; চিত্রা, চম্পকলতা, রঙ্গদেবী, সুদেবী, তুঙ্গবিদ্যা, অমসু ইন্দুরেখীকা মাখোই অসিদি শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিমক্তা চপ-ন্নবা সুংসি অহুবু—শ্রীরাধাদা মীচং চংই।

অথ বয়ঃ। বয়ঃ সন্ধিঃ নব্য যৌবনং পূর্ণযৌবন ঞ্চেতি। কলাবত্যাদয়ঃ বয়ঃ সন্ধৌস্থিতাঃ। ধন্যাদয়ঃ নব্য যৌবনে স্থিতাঃ। শ্রীরাধাদয়স্তু ব্যক্ত যৌবনে স্থিতাঃ। চন্দ্রাবল্যাদয়ঃ পূর্ণ যৌবনে স্থিতাঃ পদ্মাদ্যাঃ পূর্ণ যৌবনে স্থিতাঃ। ইত্যালম্বনবিভাবঃ।

হৌজিক বয়স হাঙ্গদি। বয়সন্ধি, নব্য যৌবন অমসু পূর্ণ যৌবন অমুষা অহুম থোকই। কলাবতীনা চিংবিনা বয়ঃ সান্ধদা লৈ। ধন্যানা চিংবীনা নব্য যৌবনদা লৈ। শ্রীরাধানা চিংবীনা ব্যক্ত যৌবন (যৌবন বয়সওইরক্কবা) দা লৈ। চন্দ্রাবলীনা চিংবীনা অমসু পদ্মানা চিংবীনা পূর্ণ যৌবনদা লৈ। অসিনা আলম্বন বিভাবনি।

অথ উদ্দীপন বিভাবঃ। গুণ নাম তাণ্ডব বেণু বাদ্য গোদোহন বিভূষণ গন্ধ চরণচিহ্ন সৌরভ্য নির্মাল্য বর্হ গুঞ্জাবতংস কৃষ্ণ মেঘস্ক স্মরণাদি ভেদাদ্ বহুবিধঃ। ৭।

অসিগী মতুংদা উদ্দীপন বিভাব হাঙৈরি. মাদুদি—গুণ, মাম, তাণ্ডব. বেণু খোংবা, মঙোমস্নুম্বা লৈতেং, ঈশৈ, চরণচিহ্ন, অঙ্গ গন্ধ, নির্মাল্য, রাহোংমতু. গুঞ্জামালা, নোংগী অমুবা মচু, অমসু থা উবনচিংব মথল ময়াম লৈ।

অথানু ভাবাঃ। ভাবঃ হাবঃ হেলা শোভা কান্তিঃ দীপ্তির্মাধুর্য্যং, প্রগল্ভতা ঔদার্য্যং ধৈর্য্য লীলা বিলাসঃ বিচ্ছিত্তির্বিভ্রমঃ কিলকিঞ্চিতং মোট্টায়িতং বিব্বোকং ললিতং বিকৃতমিতি বিংশত্যলঙ্কারাঃ।

তত্রাদিবিকারঃ সাত্ত্বিকে চিত্তে ভাবঃ প্রথম বিক্রিয়া।

গ্রীবাদি রেচক সংযুক্ত ভ্রূনেত্রাদি বিকাশ কৃচ্ছ্রা হাবঃ। কুচস্ফুরণপুলকাদিনী-বিকাসকারণানি হৃদ্যা হেলা। রূপভোগাদ্যৈরঙ্গ বিভূষণং শোভা। শোভৈব যৌবনোদ্রেকে কান্তিঃ। কান্তিরেব দেশকালাদি বিশিষ্টা-দীপ্তিঃ। নৃত্যাদি প্রসঙ্গশিতগাত্রশৈথিল্যং মাধুর্য্যম্। সম্ভোগ-বৈপরীত্যং প্রগল্ভতা। রোষেহপি নম্রন ব্যঞ্জন মৌদার্য্যম্। দুঃখ সম্ভোবনায়ামপি প্রেম্নি স্থিতৌ ধৈর্য্যম্। কান্তচেষ্টানুকরণং লীলা প্রিয়সঙ্গে সতি মুখাদীনাং তাৎকালিক প্রফুল্লতা বিলাসঃ। অল্প-মাল্যকল্পনয়াপি শোভা বিচ্ছিত্তিঃ। অভিসারাদৌ সতি সম্ভ্রমেণ হারমাল্যাদিস্থানবিপর্য্যয়ঃ বিভ্রমঃ। শ্রীরাধাকৃষ্ণয়োর্বনে রোধনাদৌ গর্ব্বাভিলাসরুদিত স্মিতাসূয়া ভয় ক্রুধা সঙ্করীকরণ হর্ষাদ্যুৎফুল্লো কিলকিঞ্চিতম্ কান্তবার্ত্তাশ্রবণে পুলকাদি ভিরভিলাষস্য প্রাকাট্যং মোট্টায়িতং। অধরখণ্ডন স্তনাকর্ষণাদৌ আনন্দেহপি ব্যথাপ্রকট

বং:কুট্টমিতং। বাল্মিতৌলপি বক্তারি পর্বেশা শার্করো বিব্বোকঃ।
ক্রভঙ্গ্যা অবজ্ঞ্যাঃ হস্তেন চ অবরবিভ্রমণ দি চেষ্টাং ললিতম্
ইতি বিশেষ্যলঙ্কারাঃ। অাতস্যাপ্যজবং প্রেয়ে মৌগ্ধ্যম্। ভিয়না
প্রেত্রবদাদিকাদৃষ্টা। চকিতম্। ইতিপ্রদবিকং।৮।

অসিগী মতুংদা অনুভাব ময়াম্ হাঙ্গৈরি,— মাহুদি- ভাব, হাব, হেলা, শোভা, কান্তি, দীপ্তি, মাধুর্য্য, প্রগল্‌ভতা, ঔদার্য্য, ধৈর্য্য, লীলা, বিলাস, বিচ্ছিত্তি, বিভ্রম, কিলকিঞ্চিত; মোট্টায়িত, কুট্টমিত, বিব্বোক, ললিত অমসু বিকৃত অলঙ্কার কুন অসিবু অনুভাব কৌই।

ভাব,— হাঙ্গৈবদি বিকার লৈতবা চিত্তদা অহানবা ওই-বা বিকারবু ভাব কৌই। হাব,— হাঙ্গৈবদি নায়িকাদা হাব কৌবা অহুনা লৈরবাদ ওকখেকপা, পিত্তম খেকপা, মীংকী মওং হোংবা — লাওশোক্লকপ নাচিংবা মওং তৌরকই, মা-হুম-া তৌরক্লবদি হাব লৈরে, হাঙ্গৈবা থংলে। হেলা,— কু চমওনদা চোংবা, তুচুংবা, থবাক কুপপা ফি নাম্নথবা অসি তৌরবদি হেলাবু থংনৈ। শোভা,— শক নিংথিবা, ফিজেং লৈতেংগী নিংথিবা, কু: কুমেন নিংথিব নাচিংবা য়াওরগা হেলাবু শোভা কৌই। কান্তি,— হাঙ্গৈব্রবা শোভদা অপাম হুনসিবনা হৌরকপা ও হোক্লকলগা কান্তি কৌই। দীপ্তি— কান্তিনা মুকন মতম চানা য়াবলগা দীপ্তি কৌই। মাধুর্য্য,—অ-

[illegible] শাবে নাচিংবনা হকচাংবা চোকথ হুইথরকপাবু মধুর্য্য কৌই। প্রগলভতা— কিদবাবু কৌই, মাহুওইরবদি রতিলীলা বা নায়কনা তৌশদবাবু নায়িকানা তৌবা ওমা তৈনবাবু প্রগলভতা কৌই। ঔদার্য্য,— হযেং অমেবা মতৌবু কৌই, অচুনা সাওরব। মক্তদা মীংয়েংতনা শাওরে হাঙ্গবা কোংদোকপবু ঔদার্য্য কৌই। ধৈর্য্য,— মুত্তাইতবা থোকপা য়ারবাদামকপু প্রেমদা চেংনা লৈবাবু ধৈর্য্য কৌই। লীলা,— চায়বগী মওং মতৌবু তম্বাবু লী। কৌই। বিলাস— চায়খগা তিনরবদা মুত্তাইবনা মাইনচিংবগী সাংকাইবা মতৌবু বিলাস কৌই।

বিচ্ছিত্তি,— হকচাংদা লৈতেং খজিক্তংদা তৌবদা ফজবনা হেনবাবু বিচ্ছিত্তি কৌই। বিভ্রম,— মুংশিবগা উনগদৌবা অভিসারনাচিংবা তৌবদা লীক, খুজি, ইনফি লৈপাংরংনাচিংবাবু মফম ওম্না তৈননা লৈতেংবাবু বিভ্রম কৌই। কিলকিঞ্চিত,— শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনিগী লম্বেল ংংপানা চিংবদা হিবেমা-না নপন তৌবা পুকনিংনাদি পাম্বা, কপপা মোমোন নোকপা, সাওবা মুংশিবা পুন্নমক সনা হরাওবগা য়ানসিনবাবু কিলকিঞ্চিত কৌই। মোট্টায়িত, চায়খাইবাগী পাওতায়গা তুচুংবনাচিংবনা অপাম্বা লৈবাবু ফোংদোকপবু মোট্টায়িত কৌই। কুট্টমিত,— চৌ-বান চিকপা, স্তনবু চিংবা অসিনা চিংবদা নাবা ফোংদোকপবু কুট্টমিত কৌই। অপাম্বা পোৎতা

মাপন তৌহনা থোঙইদবাবু বিব্বোক কৌই। ললিত,—মীতক মেকতুনা খুং হাঙ্গইহনাসু খোইমুবু খাঙ্গা ভানখোকপা নাচিং-বা তৌববু ললিত কৌই। বিকৃত,—ইকাইবনাচিংবনা ম-হাকনা তৌগদবা থংকতি হাঙ্গদোকবা অহুগা মঙং মতৌ মাদি থবঃ অহু যৌগদৌরে ফাংদোকপবু বিকৃত কৌই হাঙ্গত্রবা কুন অসি নৈত্তে কুননি। থংলবা মক্তা থংসিন-নদবা ওইনা হংবাবু মৌট্ট্য কৌই, অমসু চামংখোইবাগী ম-মংদা খোইমু উবনা চিংবদা কিহনা তথক তথকনা এংগাবু চকিত কৌই, অনি অসিমা কুন্দগী হেনদোকই, অহুনা মায়িকাগী নৈত্তেং কুননিখোইনি।

অথাঙ্গ্যে—অনুভাবাঃ। নৃত্যগীতবিলুণ্ঠ্য ক্রোশনং গাত্রমোটনং।
জৃম্ভণন্য হুঙ্কারং শ্বাসাদ্যাশ্চ তে মতাঃ। ৯

অসিগী মতুংদা অতোপ্পা অনুভাব সিংসু হাঙ্গরি—খাধুম, ইনফ, শমজৌ নানখোকপা, ইকচাংবু তিক্তগী মুং-জীবা, হাকাম চনবা, নাত্তোন ফনদোকপা অমসু মুংসা মপী হোনবা অসিনা চিংবসু থংনগনি।

অথ সাত্ত্বিকাঃ। যেন স্তম্ভাদয়োঽষ্টৌধূমায়িত জ্বলিত দীপ্ত উদ্দীপ্তা সুদীপ্তা।

অসিগী মতুংদা সাত্ত্বিক ভাব তাঙ্গরি। বিন্দুদা হাঙ্গ-ত্রবা স্বেদ; স্তম্ভনাচিংমা নিপান, অমসু ধূমায়িত, জ্বলিত দীপ্ত; উদ্দীপ্ত অমসু সুদ্দীপ্ত মতা অসিগা সুপনা তনা হনদোইনি।

অথ ব্যভিচারিণঃ (নিবর্বেদ বিষাদাদ্যা ভাবাঃ।

অসিগী মতুংদা ব্যভিচরি ভাব হাঈরি। মাদুদি—বিন্দুদা হাঙৈখবা নির্বেদ; বিষাদনা চিংবাবু ব্যভিচার ভাব কৌই।

অত্র ভাবোৎপত্তিঃ ভাবসন্ধিঃ ভাবশাবল্যঃ ভাবশান্তি রিতি দশা চতুষ্টয় । ভাবোৎপত্তিঃ স্পষ্টার্থা। ভাবদ্বয়সংমিলনং ভাবসন্ধিঃ পূর্ব্বপূর্ববভাবস্য যঃ পরপরভাবেন উপমর্দ্দঃ সএব ভাবশাবল্যং। ভাবশান্তিঃ ভাবস্যান্তর্দ্ধানমেব।

ভাবসিং অহুদা ভাবোৎপত্তি ভাবসন্ধি; ভাবশাবল্য অমগ্ন ভাব শান্তি অপুম্বা ভাবদশা মথপ মরি থোকই; মাদুদি— ভাবকী থোরকপবু ভাবোৎপত্তি; ভাব অমগা অমগা সম্নবাবু ভাব সন্ধি; ভাব অমগা অমগা য়ানসিন্নববু ভাব শাবল্য অমগ্ন ভাব হ[illegible]নখিবাবু ভাবশান্তি কৌই।

অথ স্থায়ী, ভাবঃ

মধুরা রতিঃ। সাচ ত্রিবিধা, সাধারণী সমঞ্জসা সমর্থা ইতি। কুব্জায়াং সাধারণী সাধারণমণিবৎ। পট্টমহিষীষু সমঞ্জসা চিন্তামণিবৎ। ব্রজদেবীষু সমর্থা কৌস্তভমণিবৎ।

সামান্য ভাবেন স্বসুখ তাৎপর্য্যরতিঃ সাধারণী। কৃষ্ণস্য নিজস্য চ সুখ তাৎপর্য্যরতিঃ পত্নীভাবময়ী সমঞ্জসা কেবল কৃষ্ণ সুখ তাৎপর্য্য রতিঃপরাদনাময়ী সমর্থা। ১৩।

আসগী মতুংদা স্থায়ীভাব হাঙৈরি। মধুরা রতি মহাক্তি

সাধারণী; সমঞ্জসা অমসু সমর্থা অমুমনা মথল অহুম থোকই কুব্জাদা সাধারণা রাতনি; মহাক্তি চুমাগী মণিনা লীক্লী-দগী হে বাওয়া চুমাগী মুণীদগী হেল্লি। দ্বারকাগী রুক্মিণীনা চিংবী ইবেমাসিংদা সমঞ্জসা রতি লৈ, মাহুদি চিন্তামনি, হাঙৈ-বদি নিংলিবা মথৈ থোকহনবা মাগা সমনরগা কদসু স্না ওনবা মাংনা মণি অভেদগী হেনবা ওয়া লক্ষ্মীনা চিংবদগী ইবেমাসিংদা লৈবা রতিনা হেল্লি।

ব্রজ দেবীসিংদা লৈবা রতিনা সমর্থা রতিনি, মহাক্তি শ্রীকৃষ্ণনা থবাক্তা খোনবা কৌস্তুভ মণিগুমনি।

হাঙৈথুবা রতি অহুমবু অমোক হন্না হাঙৈরবদি,- সাধারণী হঙৈবদি ইথ্বাইদামু ওইবা ইমান মামবাবু কৌই, মাহুদি - মহাকী মুথাইবগী দমকতা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বাবু সাধারণী রতি কৌই। মাহু কুব্জাদা ওই। শ্রীকৃষ্ণগী মহাকীমু মুথাইনবা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বাবু সমঞ্জসা রতি কৌই, মাহুদি দ্বারকাগী মহা-রাণী ইবেমাসিংদা লৈ। মপনগী শ্রীকৃষ্ণগী মুথাইবতা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা মথোইগীদি ফনবা মুথাইনবা থন্দাববু সমর্থারতি কৌই; মাহুদি ব্রজগোপীভদা ওই।

অথ সমর্থা প্রথমদশায়াং স্তোর্বীজবৎ, প্রেমা ইক্ষুবৎ স্নেহোরসবৎ, ততো মানং গুড়াৎ ততঃ প্রণয়ঃ খণ্ডবৎ, ততঃ রাগঃ শর্করাবৎ; ততঃ অনুরাগঃ সিতাবৎ, ততঃ মহাভাবঃ সিতোপলবৎ।

অসিগী মতুংদা মধুরা রতি অথোইবা সমর্থারতিগী হেন

পংলকপাবু চুপা চাংদমনাহুনা হায়রি, মাহুদি— শ্রীকৃষ্ণদা ব্রজগোপী শিংনা সমর্থা কৌবা রতিনা অহানবদগীনা লৈরকপাবু চুপা মমিন্তা ময়োন চোংথংলকপা ওমই, রতিনা হেনগংলগা প্রেম ওই, মাহুনা পানবী ওইরবা চু ওমই। প্রেমনা স্নেহ ওই, মাহুনা চুহি ওমই, স্নেহনা হেনগংলগা মান ওই, মাহুনা চিনি অঙাংবা ওমই, মাননা হেনগংলগা প্রণয় ওই, মাহুনা চিনি অঙাংবগী চিনি অকেংবগী শরুক মতুম ওমই। প্রণয়না হেনগংলগা রাগ ওই মাহুনা চিনি অঙোব ওমই।

রাগনা হেনগংলগা অনুরাগ ওই, মাহুনা সিতামিশ্রি ওমই, অনুরাগনা হেনগংলগা মহাভাব ওই; মহাক্তি সিতোপল (সিতামিশ্রিনা শেমলগা থোকপা চিনি) ওমই।

অথ প্রেমা।

তত্র পূর্ব্বসংস্কারতো বা শ্রবণদর্শনাদিভ্যো বা কৃষ্ণে প্রীত্যা মনোলগ্নতা রতিঃ। বিঘ্নশতৈরপি হ্রাসাভাবঃ প্রেমা— চিত্তস্য দ্রব ভাবনিদানং স্নেহঃ। তত্র চন্দ্রাবল্যাদৌ তদীয়তা ভাবেন ঘৃত। স্নেহশ্চ আদরময়ো ভাবান্তরমিশ্রিতএবস্থরসো যথা ঘৃতম্। শ্রীরাধাদৌ মদীয়তা ভাবেন মধুস্নেহ আদরশূন্যঃ স্বত এব স্থরসো যথা মধু।

অসিগী মতুংদা প্রেমবু হায়রি। মথক্তা হায়থরে, রতি, মানা প্রেম; মানা স্নেহ ওই। রতি হাঙবদি শ্রীকৃষ্ণ

বু পুক্লিংনা পামহুনা থাদোকপা ওমদবাবু কৌই। মাহুদি মীওইবনা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা রতি কৌই, মাহুবু পাম্নমদগা অকাউবা নাইরিবাবুদি শাস্ত্রনা রতি কৌদে। রতিবু ফংবদি মী অহুবু নহাল অমোর্কা মপোক্তা সাধু মহাত্মানা এংবিথ্রবা, নত্রগা হন্দকী মপেক্তো ওইরবস্থু সাধুগা উনক্নরবদা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা পুক্লিংদা নঙ্গুনা লৈ। মী ওইনা পোকপদা মাবু সাধুনা এংবিদরিবা মথৈ মপোক কোটি কোটি পোক্তনাস্থ শ্রীকৃষ্ণরতিবু ফংবা গৌনদে।

কনাগুম্বা সিংনা পূর্ব্বজন্মদা মাবু সাধুনা এংবিথ্রবা মীনা পোক্লকপমগীনা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা রতিগা লোইনহুনা পোক্লকই, কনাগুম্বা মাপোক অসিদা সাধুনা এংবিবা ফংলবদি, মাহু ফংবগা শ্রবণ — তাবা, শ্রীমূর্ত্তিবু উবা অসিদগী শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা রতি পোকই। মাস্থুমা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা রতি ওইরবদা মাহু থুগাইবা য়ামনা চংলকই, অহুগুম্বা য়ৈথাইবা থোক্লবদা মীনা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বহু মগেং ভাদবা, হেনগৎলক্লবদি রতি পাম্বা অহুবু প্রেম কৌই। প্রেমনা হেনগৎলক্লগা স্নেহ ওই; স্নেহ ওইরবা মতমদা মী অহুগী পুক্লিংনা ইথোং থোংলি। হাঙ্গৈরিবাসি মীরমেনদা পাম্নুনা হাঙ্গৈরবদি, রতিবু মশক ফংবদা উপায় থরা ওইবা য়াই, মাহুদি — মীওইবনা মচা পোকনিংই, মাহু মচাদা লৈবা রতিনি; মচা পোকলে, অহু ওইরবদি মানা পোকনিংলম্বা অহু মহৈ ফংলবনিনা মচা পে ক্লিংবা

[illegible]দি কেঁ'কপ্পে মচাবু মুংশিবদি লেমনললা মথক অমসুং মচাবু পাম্বা, চানবা মুংশিবা ওইরকই, মাহুদি মচা উপগা মপুক্লিং হৃপেং পেংথে, মতম অহুদা ওইরবা মপা মমাগী পুক্নিং অহুদা মুংশিবা পোকই. মাহবু মচাবু মুংসিবা, পুত্র স্নেহ কৌই। মাসুম ওৌহনা মচাবু পাম্বা, চানবাদু অহুম অসিনা মথং মথক ওইবাওমা শ্রীকৃষ্ণবু পাম্বা মতিং; চানবা প্রেম, অমসু মুংসিবা স্নেহ—অহুম অসিনা সাধু মঙ ফংলবা ভক্তদা মথক মথক ওই।

অমসু মুংসিবা—স্নেহ হাঙবাসি মথপ মামই. মাহুগী মংগুম্বা প্রথাকারনা মতাং অসিদা মথন অবিদং উৎথম। মাহুদি—১ মুংসিবাবু ঐঅসি মাগীনি; হাঙনা মুংসিবা অমনি। ২। মথন অমনা মুংসিবাবু ঐগীনি হাঙনা মুংসিবা অমনি, মাহুদি ঐদি ঐনা মুংসিবা শ্রীকৃষ্ণগীনি হাঙনা শ্রীকৃষ্ণবু মুংসিবা, অহুওবা মহুংসিববু খোঙম খোংদি হাঙহনা ঘৃত স্নেহ কৌই। মাহদি শ্রীচন্দ্রাবলিনা শ্রীকৃষ্ণবু মুংসিববু ঘৃত স্নেহ কৌই। মাসুমনা মুংসিবীনা মাগী মুংসিবাবু আদর-চেংনা চম্মা সুনা তৌই, মুংসি তৌরবদি শ্রীকৃষ্ণনা সাওখিনি, নত্রগা শ্রীকৃষ্ণনা খঙাবমোই, হাঙহনা ঐদি ইবুঙো মহকী মখাংনি হাঙহনা মবুংবাবু পুনা তৌই অহুম্বা ইবেমাগী প্রেম অসিবা ভাব নাইতা। তিমরগা মামদু নিংথি মাহ'দ চিন্নাক চানবা পোং অপুমবদা থৌ থাকলগা হাওবা, থৌন শোংবা মামনরগা হওবা হেনগংপা অহুওই, অহুনা ইবেমা [illegible] চিথী সিথী শ্রীকৃষ্ণদা ঐবা মুংসিবা [illegible] [illegible] তৌই, মাহু ঐবা ইবেমা মুংবু ঘৃত স্নেহবনী কৌই। মাসুম তোহনা পরম মহানুভাব শ্রীরূপ গোস্বামীনা মনো বিজ্ঞান ওইনা খ্যাপা তৌই।

শ্রীকৃষ্ণবু ঐগীনি, হাঙৈনা মুংসিবাব মধুস্নেহ খোহিজবা কৌই। খোহিনা মশা অপুম্বা অহাওবা মক্তা ওইবা অমসু অমগা য়ান্নাদবাড মশাগী মহৌশানা অহাওবা ওই অমুগা মাবু মৈদা লোয়নগা চুহিদগুম্না চিনী চিনিঅডৌবা লিতা মিশ্রি ওয়কপাগুম্না মাদি ওনদবা অহুমক মাগী মহাও খোহিনা ইহোং হোংদবা অহুগুম্না মধুস্নেহনা ভাব অভৈগা য়ানজবাসু মথত্তানানিংবিজে। মাহুদি শ্রীমতীরাধিকানা শ্রীকৃষ্ণবু মুংসিবদি শ্রীকৃষ্ণবু ঐগীনি হাঙৈনা মুংসি, অহুনা ইবেমাগী প্রেমবু মধুস্নেহ, ইবেমাবুনা মধুস্নেহবতী কৌই। অহুনা শ্রীমতীনা শ্রীকৃষ্ণবু ঐগীনি, নিংবা, মরম্না আদম্ব ভোদে, থুদসগীদমক য়াসদা শ্রীকৃষ্ণনা অপ্রদান ওইরুমগা হয়কপদা "থাচিক্কুনা মীংনা তেন ওইহনা শ্রীকৃষ্ণবু থারু-রসনু হাঙৈনা এংই অশম্না শ্রীভাগবতনা শ্রীরাধাব, হাঙৈ। মাস্তুম ভৌহনা চন্দ্রাবলীনা ঐদি শ্রীকৃষ্ণগীনি হাঙৈনা নিং-বনা ইবেমাবু ঘৃতস্নেহবতীনি, শ্রীমতীরাধিকানা শ্রীকৃষ্ণদি ঐগীনি হাঙৈনা নিংবনা মধুস্নেহবতীনি, ইবেমা অনিগী খেম-বদি মাসিনি।

কিরণ গ্রন্থকারনা মানবু ব্যাখ্যা ভৌই, মাহুদি, "কৈ কন্তে, হাঙৈবনা মরম ওইহনা ওইরবসু সাওহনা ওইরবসু অমসু মরম পৈতনা ওইরবসু পুকনিংগী লোথুপ ভৌবাগী মভৌবু মান কৌই।" অসিনি। চন্দ্রাবলীনাচিংবীদা ওইবা মামদি দাক্ষিণ্যামাভনি. কমিওবদানা য়ান্যোদাব ওই।

শ্রীরাধানাচিংবাদগি মাননা ললিত ওই।

মাসিগী সলোকপা ব্যাখ্যাবু; খুদম উত্তনা হাইরি, মাসনী খুদম "শ্রীকৃষ্ণপা লোইনহনা মনদা সামাবিবী শ্রীরাধানা হাই,- হেগোপ অকনবা! নহাকী মবগী মথোংগী উকুলম ঐগী মীং অনিমক্তা পীভাবগী অডং অথম লৈতরে অহৃগা চীমা কামথোকপীবনা কৈকানানি, অসি হাইহনা ইবেমানা পীতম থেক্‌না লৈ"—তাৎপার্য্য শ্রীকৃষ্ণপা লোইননা সামমিনবদা শ্রীকৃষ্ণবু মুংসিবনা হাকমন্থনা ইবেমাগী থমোই পেৎথরকলে, মুংসিবদগী ভারকপা পীনা মূতা পরেং তত্তনা ভারকপাগুম্না মীংতা তৈরিবা কাজম চামথোক্ত সিনথরকই, মাহুবু ইবেমনা ইবুঙোদা থংননবা হাইহনা. হাই নংগী যথ ময়াম চৎপাগী উকুলনা মীংতা চংহনা পীতারে হাই. শ্রীকৃষ্ণগা ইবেমাগী মীংতা চীমা কামথোকে হাইহনা শোকই, ইবেমাদা ওইরবা প্রেমনা হায়দগী অমোক হেনগৎহনা পী সিঙবা তুহুংবা, তুহ্ হোংবানা চিংবা হেন্নলকপা. ইবেমানা হাই, নংনা চীনা কাম্নগা কৈথোননি (অর্থাৎ মাহুদি পী তাবা হেন্নে) হাইহনা পীতম থেক্‌না লৈথোক্তনা লৈ. মাসিনি মান তৌবগী অর্থদি। মাসিদা শ্রীরাধাদি মধু মেকবতমি, অহনা শ্রীরাধাগী মানদি" ললিত" কৌই। ললিত হাইবগী অর্থদি

“মধু স্নেহস্তু কৌটিল্যং বাম্যস্যং হৃদয়ঙ্গমং” শ্রীরাধানি কিংবা লৈবা মধু স্নেহ কৌবা মচুংনিনা ‘কৌটিল্য (খোইবা হাইবদি মচুংগী মমমহ নত্তবা ওইনা। তৌই, শ্রীকৃষ্ণবু মাপুং, অমঙ চান্না খোইবা শ্রীকৃষ্ণগী পুক্নিংবু থই। শ্রীভাগবতা থগমকদা শ্রীকৃষ্ণনা ম'সদা অন্তর্ধান ওইরবগী মোরকপা উরগা ‘কন্যাভগী গোপী অমনা থ' চীক্নবা পীক্নবা নীকং ওইদুনা মীৎচৌনা তেন ওইদুনা থাদুনা সাউদুনা এই” হাসি মাননি, শ্রীকৃষ্ণবু উরগা ইবেমাদা হোৌমকইবা সাকসিনবা গুমজ্রবা প্রেমগী ইথকনা পথৎনকপা মপান্দবা সাউবা ওইনা উহনবা অহুবু বাম্য = অদাক্ষিণ্য — কৌটিল্য = অখোইবা = নত্তবা অমা উহনবা, = হৃদিপ্রেমনি,। অহুগা থানা এংহুনা মীৎচৌগী তেন থাবা অহুনা মনিংতম্বা = স্বাধীন ওইবনি, মাহুম তৌবনা শ্রীকৃষ্ণবু পেম্মহুনা শ্রীকৃষ্ণগী পুক্নিংগী অপেনববু থংবীনি, অহুনা মাহুমা মান তৌরিবী শ্রীভাগবতনা হায়রিবী গোপী অদি মধু স্নেহবতীনি, শ্রীরাধানি হইবা থংহনদি। অমসু শ্রীরাধাগী পক্ষ ওইবী ইবেমাসিং অভেদস্থ মধু স্নেহ লৈ, মাহুমাদি ওইরগা ইবেমাসিং অহুসু শ্রীরাধাগুম্না কৌটিল্য মান তৌইদি হায়রিবু শ্রীরাধাবু য়োদে, মাহুদি বিষ্ণু পুরাণদা হায়ই।”

অথ প্রণয়ঃ।

মুলোদয়েঽস্মিন্নৈক্যভাবনাময়ঃ বিশ্রম্ভঃ প্রণয়ঃ। অর্থাৎ মৈত্রক।

অনিমি মতুংদা প্রণয়বু হাঙদি। মাননা প্রণয় অহুম মাথুংদা অনিশুবা পুকনিং, হকচাং অমদু ইন্দ্রিয় সুখমক অমত্তা ওইনা তিঙ্গাগ্রহনা অমাবু অমনা থাজনবা পুক্নিংবু প্রণয় কৌই।

মাগুম্মা থাজনরবদি ঐঙন্না মাস্তুম্মা তৌরবাদি মরুপকী হুড়াংবোইদরা? হাঙৈনা অমাবু অমনা চিংনবা লৈতরে, অদুনা প্রণয় লৈনরবদি অমবু অমনা আদর তৌনবা লৈতে। আদর—চৈংনা চায়া তৌনবা হাঙৈবাসিদি সাওখণি হুড়াংই মোই হাঙৈদুনা পুকচেল ভিন্নাজবদা তৌবনি অদুনা পুকচেল খোইজেন অমত্তা ওইনরবা প্রণয় লৈনরবদি আদর তৌনদে। মাদু মথন অনি খোকই, মাহুদি সখ্য অমসু মৈত্র অনিগীদি হাঙৈবদি সখ্য প্রণয় অমসু মৈত্র প্রণয় অম্তুম্মা মথন অনি খোকই। সখ্য প্রণয়দি মধুস্নেহবতী ওইবী শ্রীমতীরাধা, পূর্ণানা সত্যভামা নাচিংবীদা ওই, মৈত্র প্রণয়না ঘৃতস্নেহবতী ওইবী চন্দ্রাবলী, কনাগুম্বা গোপী অমনা শ্রীকৃষ্ণনা রাসদা অন্তর্ধান ওইরকপগী ভরণা লাংথকা পীভম থেকপা হরিবু থাজা প্রেমনা মহাক্কী মীং মহা খেইমু অনিনা শ্রীকৃষ্ণগী নাইথোং খঙ্গা লমু লৈদি চুপই মাসিদা খাদা এংবনা কৌথিংনি, অদুগা ইবুঙোগী মাইথোংবু মুম্না এংবা অদুনা দ.কিণ্যনি, শ্রীকৃষ্ণবু উবগী হুংজাইবা মদুংগা লৈবা ভাবপু ইহিং কিংবা থরদং কোকথোকলে, অদুনা মাংসিদি শ্রীমতীগী কাংখুম থোগী অমদি, [illegible] [illegible]। অমদু ঘৃত স্নেহবতী [illegible] [illegible]

উদাত্তনি, মরক্তা কৌটিল্য খরা য়'ওই।

খুবম শ্রীকৃষ্ণনা বৃন্দাবনগীদা হাঈ—"ঐনা কাউহুনা বন অপুম্না পাম্‌বদা চন্দ্রবলীনা থমোই কাইবা মথৈ ম্লাই অহুম্না ঐনা সোইকবগী ইফিং ফিংববু কোরুবা চন্দ্রাবলীনা হাক্ল-দগী হেন্না মোমোন নোকই, অহুগা অমেংবা ম্লাহৈনা ফজনা ওংহুনা নিংথিজবনু হেনগংহনলি। মাসিদা রাধা নাম তারগা চন্দ্রাবলীগী পুক্নিংদা য়াবা অহুগা মান ওইবা অনিমক লৌত্তুনা নোক্তুনা থংহন্নবনি, মাসুম্না মান তৌবা অসিনা মাননা চন্দ্রাবলীনা স্বাধীন ও'দে, দাক্ষিণ্য উদাত্ত ওই, মাসুমনা ইবেমসিংগী প্রেমগী তোঙান তোঙানবা অসি থংনগনি।

পুরদা।রুক্মিণীনাচিংবীদা ওই। প্রণয় মথণ অনিসিবু শ্রীরূপদ পাদনা ব্যাখ্যা তৌই. মাহুদি পুকচেননাচিংবা তিরবনা মানা সুঙাইথিরোয়দরা? হাঈনা সুংনাথিবা নৈতবা প্রণয় অহুনা মরম ওইহুনা মাগী খুহুমদা অমনা নৈরবদি সখ্য প্রণয় কোই।

মাহুদি; রাসগী অর্দ্ধানদা শ্রীকৃষ্ণগা লোইনাহুনা লেং-ময়রিবী শ্রীমতীরাধানা শ্রীকৃষ্ণদা হাঈ "ঐচৎপা ওমদরে. নংবা চৎনংবা মফমদা ঐবু পু (পোবি;)" অসিনি। (ন-পারয়েহং চলিতুং নয় মাংযত্রভেমন:) ইবেমাগী ম্রাহৈ অসি রসিকসিংগী (মনোবিজ্ঞান হৈব্যাসিংগী মরিদাদি মমন য়ামথ্রবা ম্রাহৈনি। মহর্ষি ভগবান্ কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদ ব্যাসনা শ্রী ভাগ-বততা ইবেমাগী মমন য়ামথ্রবা ম্রাহৈ অসিবু হাঈগদবাগী দমক সুপনগী ম্রাহৈ—পদ অমনা ভূমিকা তৌই, মাহুদি "পুমু—মাপন তৌবী—হাঈবদি মানমতী অসিনি।

গোপী অপুৰ্ব্ববু হল্লেক্তুনা মাংবু শ্রীকৃষ্ণনা পুক্নুংদা থিরিবীনা নাপন তৌহন্না (দৃষ্টা) শ্রীকৃষ্ণদা হাঙ্গী, অসিন। (দৃষ্টা) নাপন তৌবী হাঙ্গৈবদি মান তৌবী হাঙ্গৈবনি, মাহুদি গোপী অপুৰ্ব্ববু হল্লেক্তুনা ইবেমোতবু পুবদা ইবেমানা নিংই ঐদি শুন.থাকনা লাইপক ফবী ওইরে, মরাম্ হংল্লেক্কনা ঐতবু পুবাসিদা ঐঙোন্দা শ্রীকৃষ্ণনা নিংবাসি শুনথাকনা ঐবু হেন্না নিংবোইরে। হাঙ্গৈবা থংলে, অহু ওইরবদি শ্রীকৃষ্ণবু নমহুনা ঐগী থুহমদা থম্মগে হাঙ্গৈহুনা "ঐ চৎপা ঙমদরে, পোহুনা নংনা চৎনিংবদা পু. নত্রবদি চৎলমোই, অস্নুম্না হাঙ্গৈবসি অচম্বা মুপীগী পুকাচেলন' মরাবু লাকথুগে তৌবা পূংচেংগী রাহে অহু নত্তে, থংদবা মীদা মাহু মান্না তাবনি। শ্রীকৃষ্ণগা লেইনহুনা লেংমন্নরিবী ইবেমনা মুক্তাইবা অহু মাস্নুপ য়াম্না মুঙাই হাঙ্গৈবা চিন্না হাঙ্গৈবা ঙম্বা নত্তে, যোগীসিংনা ব্রহ্মবু ফংলগা ওইবা মুক্তা বদগী কোটি কোটি হেনবা মুঙাঙ্গৈবনি. অহুপ মুঙাইবা অহুবু ইবেমানা ফংলগা ইবেমনা ঐ মুক্তাইরে হাঙ্গৈবা থংদে; মরমদি গোপী প্রেমদি—সমর্থাবতীনি, শ্রীকৃষ্ণদগী ওইবা মুঙাইবাবু ইবেমাসিংনা লৌদবা ঙমই, অহুনা গোপীসিংবু সমর্থারতি তৌবাঙম্বা রতি লৈবী কৌই।

মাসিনা রুক্মিণীন চিংবী পুরনায়িকাদগী গোপীনা হেল্লি। পুরনায়িকাদি মহুলৌদবা মতম পুম্নমক্তা ঙমদে, করিংগুম্বদা শ্রীকৃষ্ণদগী ওইরকপা মুঙাইবাবু পুরগী ইবেমাসিংনা থংই অহুনা পুরনায়িকাসিংবু সমঞ্জসারতি কৌই।

শ্রীমতীরাধানা শ্রীকৃষ্ণপা লেংমদ্রৈ শ্রীকৃষ্ণগী [illegible] [illegible] [illegible] ইবেমান্না পুংদে, ইবেমানা পাং, ঐগা [illegible] শ্রীকৃষ্ণনা পেন্নি গোপী অতৈবুদি হুৎকক্না ঐগা লেপ্লৈ, ঐনা [illegible] ফবা হেন্নি; অদি নিংথৌ [illegible] শ্রীকৃষ্ণগী প্রেমগী দমক্তা হাইদুনা খোগন তৌবা ইবেমানা [illegible] মমক্তা অহিংদা না; কৈ মমক থনদা শ্রীকৃষ্ণগী থুং ইদুরো লেপ্লকই। মাদুনা মহাভাবময়ী রাধানা ইবেমা [illegible] প্রেমগী ঔখনা থৈবা চৎপা, [illegible] [illegible], থুং হোংবা কন্নাপী সিন্নরকপানা চৎবা প্রেমগী [illegible] [illegible] শ্রীকৃষ্ণগী খোগন [illegible] ইবেমগী [illegible] লেংবা [illegible]; অদুন্না ইবেমাদি মধুস্নেহবতী [illegible] [illegible] [illegible] না হাইদে হাইবাদি "ঐদি প্রেমগী আনন্দম। থোং [illegible] [illegible]; অমুম্না চাম্নবা না হাইদো বাক্ষ ওইনা দংনা কৌইবা পুদুনা চৎপামক্তনা হায়ে "নপারম্নেহং চাদিতুং,—চৎপাত্তমদরে হায়ে। মাদুদি নায়কতা নায়িকানা চৎপা [illegible] হাইবদি [illegible] [illegible] [illegible], অদুগা ইবেমানা ইবুঙোপা অ'নগী পুর্ণ[illegible] [illegible] ইন্দ্রিয় [illegible] [illegible] ওইনা [illegible] মাঙ্গপকী ম্রত্তিক চেৎনা লেম্নে ঐনা [illegible] [illegible] [illegible] ঐগী চাম্নব'ন হাইবা তোঙান্নবা [illegible] কাওদি. [illegible] [illegible] [illegible] "[illegible] ঐগী [illegible] [illegible] ঐনা [illegible] [illegible] নম্নে, অদিগী প্রেমা পুদপ ডিন সিবনরে" ইবেমানা ঐগা [illegible] হাইবগা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈরে, [illegible]

[illegible]না মুঙাইজন্না কাবদ্রু লৈত্তে । ইবেমা ইবুঙো অনিগী নি সখ্য মেহানন্না স্বাধীনভর্তৃকাদি ইবেমানা ইবুঙোবু [illegible], অদুনা ইবেমানা ঐখ্ পোহনা পু হাঙৈ । মাহ্ তাবগা রসিকশেখর কৃষ্ণনা খুমই, ঐগী লেংবানদা তোংউ, (কৃষ্ণ মাকন্থ্যত্তাং) সুপুরুখগী প্রেমগী রীতীদি মাসূম্না তোঃ। অদুদগী শ্রীকৃষ্ণনা অন্তর্দ্ধান ওইখ্ (ইবেমাবু হপ্রেকনা লোংখরে) মুংসিবনা মুংসিবীবু চাম্না মুংসিনবগী খুদমদি [illegible]সিনি ।

ইবেমানা ঐ চংপা ওমদরে, হাঙৈবা অচুম্বনি, মরমদি ইবেমানা ঈবুঙোগা লোইনবগা মুঙাইবা অদু হাঙৈনিংঙাই লৈতে অদুবু ইবেমানা লৌত্রবাসু প্রেমানন্দগী ভাব বানথবা, মীকপনাচিংবা অদুদি তৌদবা য়াবা নত্তে, মরম অদুনা খোংথাংবা [illegible]না বামস্বাভাব ওইবীনিনা ইবেমানা হাঙৈ, ঐ মুঙাইমন্নুনা চংপা ওমদরে, দি হাঙৈরে, কোইনা চংম অদুনা য়াবনা চংপা ওমদরে, পোবীয়ু, অসিনি; মাহুবু অত্তোপপনা হাঙৈরবদি শ্রীকৃষ্ণনা সাওগদবনি, শ্রীকৃষ্ণনাদি সাউদে, ইবেমাগী বা অদু তাবগা ইবুঙোনা য়ামনা পেল্লি, কবিনা শকই, 'মুংসিবদি ইমুংতা মুংসি'' সিত্তগী খোকপা মৈথুত্তবু মুংসিদব'ন আগরুদগী খোকপা মৈথুনা মুংসি. মুংসিবীগী মাইখোংদগী খোরকপা বাহৈদি ইমু তা মুংসি, মরমদি মুংসিবা মুংসিবীগী পুক্কিং হকচাং, ইন্দ্রিয় অপুম্বা অমত্তা ওইখ্র-

বনি, (মরম অসিনা শ্রাত্তিনা হাঙই মম্মচিত্তং মম্মুচিত্তংতে অন্ত্) । ইবেমানা ইবুংঙোগী মুঙাইগদবতা খল্লুনা ঙাংবনি ইবেমাদি ইবুংঙোগী করিনা মুঙাইগদগেতো খল্লুনা, মাতুতা ঙাংই; চৎলি, এংই, মুমিং চুপপা ইবুংঙোবু মুঙাইহল্লুনা ইবুংঙোবু লাংদ, হাঙইদুনা ইবেমাগী মিং রাধা কৌই । মৈতৈরোন্দা সংস্কৃত ভাষাদাসু "রাধ্" ধাতুগী অর্থদি পেন্নবা তৌবা হাঙইবনি, মাতুদি—লাইরাধ্ (দ্ = ধ্ =) পা অমনি মৈতৈরোন্দা রাহৈগী মথক্তা লৈবা রনা লওই, অদুনা রাধা =লাংপা, হাঙইবনি. অনয়ারাধি তোনুনং অসুম্মা শ্রীভাগতনা ঙাকই

ইবেমানা পোৱীবু ঐ চংপা ঙমদরে, হাঙইজরগা ইবুং-ঙোনা ইবেমাবু অহিংদা. মুকখ্রবা উরক্তা, শাকৈ. লৌম্না থল্লবা মফমদা অমমবা উন্নুংদা পূবামখৈ পুবিম্নক্লগা লৈদগী হেন্না থোংপী অহিংদা নেংথাং কুপ্পদা কিদুনা লৈবা ঙমদবী মুপীবু মুংসিনীবনি হাঙইদুনা হুম্রেক্তুনা লোম্না চেনখিবা অসিবু ইবুংঙোনা ইবেমাবু মুসিবগী থুদমলাগ অদুৎতে ত্রেতা যুগতসু মমুংদা জীবা চংলবী ইবেমা সীতাবু. মতম সুরদুনা গর্ভগী বেদনা লাক্লবা মতমদা ইবেমাগা পোইননা সান্নবা য়াররোই হাঙইবগী মতাগুম্না মীচীক মীরাওখোন তাদবা সুক্লবা বন মমুংদা শাকৈ মরক্তা তুমহনলগা হুম্রেকপা ঙম্বনি, অসিরাগ মুংসিবীবু মুংসিবনা মুংসিবা মাসিনি, ভারতীয়

সাহিত্যনা পৃথিবীগী সাহিত্যদগী হেনবা, ব্যাস বাল্মীকিগী তাইবং মীদা ওইদবা ভারতীর সাহিত্যগী গোৱী শঙ্কর—মি র্ মাউন্টেন এভারেষ্টনি ।

মহাভাব ময়ী শ্রীরাধানা ইবুঙোগা হেক কাইনবগা থাবদি মৈদা লোম্লবা অচাকপা থাওদা ছুনথরগা চাকপবু হয়্যা চাকই;—

কাইনা মৈচাকনা মাতুম্না চাকসগা ইবেমানা ইবেম্মাগী থমোইদা লৈবা পামুবানা সাখিগনি নিংহুনা মাহুগী দমক্তা থম্বাল লকাদা ঈশিং হাপ্লগা থোম্. থম্বৌবু চন্দন ওইনা ভক্লগা থজিন্দা থোমই, থম্লানা থম্বাননা হুমাই ওইনা থজি ন্দা হুমই. মাহু অতৈগী নত্তে, থজিন মন্নুংদা থমোই মুমুংদা লৈবা শ্রীকৃষ্ণবু কাইনা মৈচাকনা ইবেমা হকচাং চাকপদা শ্রীকৃষ্ণদা মৈশানা শোক্তনবা হিগ' য়ৈবনি ইবে- মগী হকচাংগী মৈচাক কোক্লবা হিদাক ভৌবা নত্তে, রস শাস্ত্রনা হাঙ্গৈ, তুংসি মৈচক্কী অসাবদ থম্বাননা হিগা য়ৈরগা থাংবা য়াই । খৃষ্টগী ময়াংদগীনা ভারতকা লয়ইদা শকন- রকপা থুম্লঙ ইশৈদা শক্লরমই, মাহুদি—

কৈশব রহিঅং পেম্মং নহুন্টিঠৈ মণবে লোএ ।
জই হই বিরহে হেতম্ম কণী অ ই="

চাম্লনা চাম্লবা পেম - ভাইবংদা লৈতেএ ।
চাম্লনা লৈরবদি কাইনা মৈচাকনা কনানা হিংই ॥"

শ্রীরাধাকৃষ্ণগী প্রেম, শ্রীসীতা রামগী প্রেম চাপ্পবা প্রেমনি, অদুগা কাইনা মৈচাক্কা চাপ্পনদা করিগী ইবেমমা হিংই। কাইনবগা ইবেমা হিংগে, মাদুদা ইবেমাগী কীবম অদু মৈতৈ কবি-না হাঙৈনিংঙাই নৈতদ্রবা খুদম ই'শদা থারমই——

"চোইনৌ শনা কোম্বুম্বা; বুকো ভানুগী মমোম লোই,
কাইনা মৈচাকনা চাকপনা খুংকী খুদোপনা খুজি ভইখরে।" (খাইনা মৈতৈ। সরমদাইদ শকুবা মাদবিরোয়দগী লৌব-) ঙৈশে অসিদা কবি-না ইবেমাবু সাহিত্যগী উপমিত কেবা নৈতৌনা সনাগা পা-দম্বরি, মাদুদি চোইনৌ সন কোম্বুম্বা" পদ অসিনি, মহ জীবাঞ্জনা বৃত্তিনা ফোংদোকপা। অথনা ইবে না কাইনা মৈচাকনা চাপ্পবদা হিংবা, অমসু ইবুংনা ইবেমবু হুংঙ্কপা অম-সিগী মমসু তাকই। মাদু দ সিনি-সন না মৈনা চাক্ক ২ গা ফজবা হেনগৎলকই, চাক্ক চাক্কগা মথেং তাদ, সনাদা য়ানশিবা খানিজ পদার্থ অদুবু মৈনা চাকথেক্ক। মাংহনখ্রগা সনাগী ফজরকই অদুগা সনাগী চাপ্পবা সরুক্কি মথেং তাদে। লেংদনা নৈহোই অদুগুম্বা সনাবু মৈতৈ কবিগী বাহৈদা চোইনৌ সনা কোই। সংস্কৃত ভাষাদা শাত কাঞ্চ-হাঙৈবদি চৎনবাদ ফুদোংলবা সনা অম্ভুম্বা চৎনৈ। ঙৈশে অসিদা কবিনা উপমিতি অলঙ্কার লৌদুনা চোইনৌ সনানা উপমাননি, শ্রীরাধানা উপমেয়নি, শ্রীরাধাগী প্রেমনে, সনাগী মশকনে অমনগী চাক্ক চাক্কগা ফজবা হেনগৎলকপনা

সাধর্ম্যানি। মাদুদি, অসিনি; চাম্নবাগী অহানবা মশকতি রতিনিনা মথং মথং হেনগৎলপা প্রেম, স্নেহ, মান, প্রণয় রাগ অমসুং অনুরাগ অরোইবদা মহাভাব ওই।

সরবু মৈনা চাকংঙ্ক্লগা মাগী চাম্নবা মশকতা লেপ্পা অদুগুম্না ইবেমাগী শ্রীকৃষ্ণদা ওইবা রতিনা কাইনা মৈনা চাক্লংগা ইবেমাগী মশক চাম্নবা মহাভাবদা লেপই, অদুগুম্বা মহাভাবতা গ্রন্থ অসিদা হাঙ্গৈরক্কনি প্রেমবিলাস বিবর্ত ওই, অদুগুম্বা অবস্থদা ইবেমানা শ্রীকৃষ্ণগী অতোপপা অমা থংদে, "ঐ" হায়বাসু লিংংদে; মাদুদা ইবেমা ইবুংঙোগী প্রেমসুখ অদুবু মাসুম তৌই হাঙ্গইদুনা চিম্না হাঙ্গদাকপা ওমদে।

মদুবু ওইননবগীদমক ইবুংঙোনা ইবেমাবু হুংগুক্কনা ইহন্দনা লৈবনি। মরমদি মাদুবু কাইনা মৈথাক্কনা লোকহনদি, অমনা থোকহনবা ওমদে। ইবেমানা ইবুংঙোগা ছেক কাইনবগা হিংবা ওমদবান, অদুবু নুমং চুপ্পা ইবুংঙোগী পেম্নবতা হোংলবা ইবেমা। নংই. ঐনা হিংদ্রবদি ইবুংঙোবু ঐনা উদু। ইবুংঙোগী পেম্নবা সেবা ওম্নরোই, ইবুংঙোগী পেম্নবা লৈররোই হাঙ্গৈবগীদমক্ক মপন থোকখিগদোরবা থরাইবু ইবেমানা থাম্বা হেৎ বদা রমনব। হেৎথামকই—"হানাথ রমণ শ্রেষ্ঠ কাসি কাসি মহাভুজ। দাস্যাস্তে কৃপনায়া মে সখে দর্শয় সন্নিধিং।" — হাংবুংঙো, ঐবু

মুঙাইহনবা, চান্নাখেইবা, বদাইদা লৈ, অথোইবা পাম্বোক পানবা। তোল্লবী নাই মুপী ঐগী মরিদা হে মরুপলোই, নংগী লৈফম উহনবীয়। অসি হঙ্গইহনা জেংথারি, মাসিদা সখে=মরুপ লোই, রাহৈ অসিনা ইবমাগী মেহবু "সখ্য স্নেহ "নি হাঙ্গৈনা থংনৈ. মাদুদি ইবেমা ইবুঙো অনিগী পুক্নিং, হকচাং অমসু ইন্দ্রিয়না অমত্তা ওইনা পুলপ ওইনা তিনসংথিবনা ইবেমান নিংলিবা তৌরিবা ভাংনবা পুম্নমক অদুদা ইবুংগোনা হুঙাইতবা অমত্তা লৈরোই, হাঙ্গৈনা শাজে, অদুনা মরুমপনা মরুপকা থাজনবা ওইরগা মধুস্নেহ বতী রাধানা মসুংঙবু আদর তৌবা লৈতে অদুনা "সখে=মরুপ হাঙ্গৈনা লৌই। ইনা মাগী মনাইনি, মরুপনি হঙ্গৈনিংদে, মানা ঐগী ইবুঙোনি মরুপনি হঙ্গৈ নিংই।

সখ্য প্রণয়গী মশক উৎনবাগীদমক রস লীলা—দা শ্রীকৃষ্ণনা লোইনদু। লোনবা শ্রীরাধানা "ঐচৎপা ওমদরে. হঙ্গদু উবরে, মাত্রদ ইবেমানা ইংঙেবু পেখিয় হাঙ্গৈ-বাবু মধ্য প্রণয়গী ওবা থবেনাগা অদম তৌদে, মাদু সখ্য প্রণয়গা থুনখনি; মাদুগী ফজবু ঐখোইনা উৎনিংহনা থরদং শাদেকনা হঙ্গৈরুরে। মৈত্র ওৎলীদি ভাব শাস্ত্র হৈবাসিনা হঙ্গৈ, বিনয়গা লোইনবা শাজবা ওই, মাদুদি চন্দ্রাবলীনা নিংবানা তৌই, থুদম্দ শ্রীকৃষ্ণনা রাসগী অন্ত-র্দ্ধানদুগী লেংলবপা উরগা কনাগুম্বী গোপী অমনা শ্রীকৃষ্ণগী

নাক্তা চংলক্তুনা শ্রীকৃষ্ণগী খুং থম্বাল অনিবু মহাক্তা খুং অনিনা খুজোক সারহুনা হয়াওনা পৌই,—অম্মা শ্রীভগবত না হাঙ্গৈবা অহ্ ঘৃত স্নেহবতী চন্দ্রাবলীগী প্রেম সেবানি, মাহুদা শ্রীকৃষ্ণবু অন্তর্দ্ধান ওইরুবদগী উনরগা আদর তৌনা প্রেম সেবা তৌরিবা অহ্ মৈত্র প্রনয়গী সেবানি।

অথ রাগঃ। চন্দ্রাবল্যাদৌ নীলরাগঃ স্বগম্ন ভাবাবরণঃ। তত্রৈব শ্যামরা গোহপী প্রয়ো ভদ্রাদৌ চিরসাধ্য রূপঃ। শ্রীরাধা দৌতু মঞ্জিষ্ঠারাগে হনন্যাপেক্ষো ভবাবরণ শূণ্যঃ তথৈব শ্যামলাদৌ কুসুম্ভরাগঃ সুখসাধ্যত্বাৎ কিঞ্চিদন্যা পেক্ষঃ। পাত্রস্যাংশুণ্যাং স্থিতিঃ।

হুক্তিক্তি রাগবু হাঙ্গৈরি। চন্দ্রাবলীনাচিংবদা লৈবারাগবু নীলী রাগ কৌই, মাহুক্তি মাডেন্দা পকপা ভাবনা কুপসিন্নি। ভদ্রানাচিংবদা লৈবা রাগবু শ্যামরাগ কৌহ, মহাক্তি কুইনা হোংনহুনা থোকহনবনি।

শ্যামারাগদি কুইনা হোংনাহুনা থোকহনবনি, অসুমনা প্রকারনা হাঙ্গৈ, মহুগা ভাবতা, অসিনি—শ্যামবর্নদি মাবু সংবদা কুইনা হোংনাহুনা সং, মদা নীলদগী ওনথোকপা থরা হেন্নি, হাঙ্গৈবনি। অববদা শ্রীরূপ পাদনা হাঙ্গৈ"

ভীরু-তৌষধি সেক দি বান্নাং কিঞ্চিৎ প্রকাশ ভাক্।
যশ্চিরৈব সাধ্যঃ স্যাৎ স শ্যামরাগ উচ্যতে॥ অর্থাৎ

কিবগী মতৌ সংদবা হিদাকপু শেম্বনা হৌ, নীলীরাগদগী

থরদং হেন্না শানথোকই, মহাক্তি, কুইনা হোৎনৈ, মাহুক্ শ্যামরাগ কৌই।

মাসিগী ভাবার্থদি শ্যামবর্ণ হাঙৈবদি, নীলদগী থরা রাও থেকপা শংবান্নবা কৌই, মহাক্তি নীলদগীম্না থরা শানথোকই. মচু অসি থোক্লবা সঙবদি মচু অহু থোকহনবা হিদাক উরীগুম্বা অহুবু অহানবদা শেমগনি, মাহু শেম্বাবু ঔবাধসেক—পুটভাবন অম্মমনা সংজিততা কৌই, মাস্থম তৌহনা রঙীনা রাগ য়োরক্লবদা রাগ অহুবু মচুদা পাম্নুনা তাকই, মাহুদা নীল মচুগা মান্নবা রাগবু নীলীরাগ কৌই, হাঙৈহুনা তাকথরে, ভদ্রানা চিংবা গেপীসিংদা লৈবা রাগবু শ্যামারাগা কৌই। মাহুদি—নীলবর্ণবু থোকনবা হোৎনবদগী শ্যামবর্ণ ওইনবা সংবদা সংদরিঙৈদা হান্ননী শেম্বা হোৎনবদা মতম চংবা নীলবর্ণবুদি শ্যামবর্ণনা হেল্লি, মাহুগুম্না নীলারাগদগী শ্যামারাগনা মতম চংবান্থ হেল্লি, অম্মমনা হাঙৈবনি মাহুদা অসি মাগা মুন্না খংগদবনি মাহুদি—মচুগী মরক্তা শ্যামবর্ণ রতিদানা মুপীগী কিবা. অনি অসি পানরিবনি। মাহুদি, অসিনি মুপীগীদি মুমিৎ চুপপা কিবা হাঙৈবাসি পোকমিন্নরকপা মহৌশানি, অহগুম্বা অকিবা অহনা প্রনয়দগী করম্না থোরকপগে? মাহুদি—মধু স্নেহগী থরগা ম্রান্নবা ঘৃত স্নেহ ওইবী মুপীগী কুমারীদগী কিশোরী ওইবগা সমবা মতমদা রতি থোক্লকপদা ইথাইগা মান্নদবা

মঞ্জিষ্ঠারাগ কৌই, মাদুদি অতোপপাবু এংদে, ভাবনা কুপ সি দে। শ্যামপানাচিংবীদা লৈবা রাগবু খুসুম্ভারাগ কৌই, মাহুদি রাগনা ওইহনবনি, অদুমা খজিকচং অতোপপাবু এংই। হাঙৈরিবা অসিদি, লৈরুবা মফমগী গুনা মশক মাম্মদে অমম্ব থেইদে।

সন্দোকপা——রাগ হাঙৈবাসিদ প্রণয়না হেনগৎলগা ওইবানি। রাগ লৈরবদি শরাববু মুংঙাইবা ওইনা নিংই। মাহুদি কাপেন্সী পুংশা লৈ থেক্রুবদা চীঙদা মতোনতুম্বা মুঙ, মৈ ওন্দু। সাবা মথক, অমসু উ রাগী থাংসাবা মতোন অতুম্বা থোরবা মথক্তা রাধানা নেত্তনা শ্রীকৃষ্ণবু এংবদা ইবেমানা থরো থম্বা না থারবা ফমুংদা লৈব শুম্ম মুঙাই মাহু ইবেমাদা লৈবা রাগনানি। অসুম্মা অতৈদমম্ব খং গানি।

রাগ হাঙৈবাগী ময়েক্কা অর্থদি চুবা হাঙৈবনি, মাহুদি সংস্কৃত ভাষাগী রন্জ্ ধাতুব্ মৈতৈরোলগী ধাতুনা "রন্জ্ কুচ্ চাঙৈনা উচ্চারণ তৌগ। অদুনা রাগ হাঙৈবাগী মৈতৈরোলদা চপ চাবা অর্থদ চুবা হাঙৈ চুবাদি মথম অনি থোকই, মাহুদি মুনা চুবা, অমসু ওইনা চুবা অনি থোকই। মুনা চুবদাসু অনি থোকই, মাহুদ নীলা অমসু শ্যামা অনিসিনি, মহুদা নীল কৌবা উগী মচুম্মা শঙবাগুম্মা কোকবা মচুবু নীলা রাগা কৌই, মাহুদ চন্দ্রাবলনা তিংবদা" ওইবা রাগবু নীলা রাগ কৌই, মরমদি চন্দ্রাবলীগী রাগনি

কোক্তে চেৎলি, অমম্ মহাক্কী ভাবনা সকান্নী ভাবম্ কুপ-শিন্নদি; অচুনা মীগীরাগীনি অশুন্না থংনৈ; ম চুগী খুদমদি —কবাওয়ী সখী অমনা শ্রীকৃষ্ণদা হাঙই, হেকুক। চন্দ্রাব-লীগী পুকচেনদি ওনথে কনা লুই অমম্ নিংথিজে. মহাকনা চন্দ্রাবলীবু মীনমথাবু মহাকনা অকবতা ওইনা লৌই, অসংগুবা লৌচং অসিনা মহাক্কী ব্যবহার লৌচথিন, মাহুদা সখীসিংনা চন্দ্রাবলীবু থল্লি. চন্দ্রাবলী'সমু শ্রীকৃষ্ণদ করি অনত্তা দোষম্ এংদবা অকবম্ এ-দরা? অস্থন্না মথিসিংনা চিংনৈ ।

সখীসিংগী ৱাহৈ অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা মীনম্নবা মক্তদার চন্দ্রাবলীগী প্রণয় অচুনা হোংদোক্লবা, হোংলকপা রাবার 'উদবা অচু, কুমসংচুনা মুবগুন্না চেৎলি,' অচু । চন্দ্রাবলীগী রাগবু লীলী রাগ কৌই, চন্দ্রাবলীনা শ্রীকৃষ্ণগী মীনববু এংদবাওন্না নৈববু সখীসিংনা চিংনবা—চন্দ্রাবলীসমু শ্রীকৃ-ষ্ণনা অমম্ অতোপপা মুপীদাম্ থমনবা অমম্ সাওবা তৌদবন্না হাঙইনাচিংনবা হাঙইবদি চান্নবা মতৌত্রবরা হ ঙইবার তৌগন উবা, তৌবরা? হাঙইবার তৌদবা মানগা অচুনা চন্দ্রাবলীবু মৃত দেহবতৌনি হাঙইবা থংনৈ, অচুনা মুত্তাইকনা পুক্নিংবু মহাক্কী মহোৎসাগী ভাবনা কুপশিনবা, অচুগী চান্নবা পুমকুপদা কুপকনা থজিক থজিক কোংগা অসি· লীলী

মথুরেহ থরদং মাওবা বৃন্দাবনেহ ওইবীদি বৃন্দবনেহ [illegible] হৌনবি; অতিংবা (দার্কন্য) ভাব ওইহুনা কিবদা ভাং থরদং মাওই (অবাহিথ'গা লোইনৈ) অচুওবা মকী অহুদি মীপাইবগী জাং ওইনা ভৌই। মাহু ওইরবদি 'আমিকা অহুনা শ্রীকৃষ্ণগী মাংদাদ কিকম নত্তবদম্ব য মনা কিবা ওইনা থোকই; মাহুমা কিবদা মহুংদা ভাব অমা মাওং কি। অহুগা লোয়েন লাইপক থিরবা মতমদদি মাহুমা কিবা অহু ওইদে; হাঔবা কোংদোকলকই। থুদম, কনাগুম্বী সখী অমনা ভদ্রাদা হাঔ।

"মমাংতৈদদি নংনা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা লৈরবদি কজবা কুঞ্জদা থজিক্তং লুমসিনবনা মথদা মীপাইহুন। হুংথিন পো-পোপতাহ হেংক্রণী কুঞ্জ মপুংদা চংলে; হেমাঙ্গিনী অহুওবী মংনা ওসিদি অমত্বা অহিং লোংয়াইথক্তদা তমাপনা লুম-সিনুনো অযোকসু সরুক অনি হেনগংনা মমলবদা নপত্তনা মামা পুওইনা মাবু থিরি।"

অমম্বা অহিংদা চৎপাদ হুপী ওইবা কীগনবীগীদি অত্রাবাগী মশকনি, মাহুবু মাগীদি হুওইবা ওইনা থোকপা অহুনা মাগনি। রাগ অহু নীলারাগ নত্তে, শ্যামারাগনি মরমদ নীলী রাগদদি থোইনা মামা কোংদোক্তে সখীসিংনা [illegible]রণীবু চিংনবা থমি, ভজ্রাগীদ ইকোং কোংনা রাগ [illegible]না কোংদোকই, অহুনা ঘৃত মেহনা মানই, হাঔবা

য়াম্না হেনবা মকি অমা ওই, মাহুদি মধু স্নেহ সংপূর্ণ ওইবা ময়াই কাবনা সংপূর্ণ গর্ব্ব —থমথেংনা নাপন তৌই অহুন মধু স্নেহনা শ্রীকৃষ্ণবু ঐগীনা হাঙনা থিংই থংনৈ। অহুগা মহৌশাগী থিবা অহুদ কুই-না হায়না ভদ্রা না হৌরুবন, অতুগুম্বা অংকবা অহু কুইনা শেমংরুবান অমসু অংকবা অহু মনুংদদ কৌদবাবু বক্র (বাম্য) ওই-হুন মুংগা থিসিন্নবান, অহুনা (বাম্য ওইবনা) মধুস্নেহসু থরয়াম্লি হঙী। থংনৈ। অহু। মধুগী শরুক থরগা য়াম্নবা ঘৃতস্নেহ ঐগীন হাঙী। ভদ্রাবু থংনৈ।

দৃষ্টান্তদা ঘ-ন্ন ফমজি বনা থবত্তা ওইনা থোহিনা লাংথো-কহনবা চুংনবা অতুগুম্বা শ্যামারাগনা কুইনা হই। অসুম্বা রাদি অসিন "অরবব মুত্তহইবা নই। থিংগা রাগ কৌই, রাগ অহুনা মশান্দা থজিকং ফেংদেরুগা নীলীরাগ, য়াম্না ফোংদেরুগা শ্যামারাগ কৌই।" অসুম্না তেনজিম্না উজ্-জ্বলনীলমণি কিরণনা ভাকই।

ভাংনা চুবাসু মাসুম্না অনি থোকই, মাহুদি কুসুম্ভ রাগ, অমসু মঞ্জিষ্ঠরাগা অসিনি। কুসুম্ভ কৌবা লৈগী মচুগুম্বা রত্তিনা ওইবা রাগবু কুসুম্ভরাগ কৌই। মাহুদি কুসুমলৈ কৌবা লৈনা ফীদা সংবদি ফীদা য়াম্না থুনা চংই অমসু চান্নবা অচেৎপা মচুগুম্না ফজে, মচু অহু থুনা সিথে চেৎতে—থাংদে রত্তি অহুনা পুকনিংদা থুনা চবা অমসু অং-

তোপপা রাগগী নিংখিবা অহুগুমনা উহল্লবদি অহুগুবা মচিন্না ওইব রাগবু কুসুম্ভরাগ কৌই অহুনা অকংদ। শ্রীরূপপাদনা হয় । কুসুম্ভরাগঃ স জ্ঞেয়ো যশ্চিত্তে সজ্জতি দ্রুতং ।

অন্যরাগচ্ছবিব্যঞ্জী শোভতে চ যথোচিতং ॥ অর্থাৎ কুসুম্ভরাগবু মাহুদি হাঙৈনা থংনগন, মাহুদি পুকনিংদা থুনা চুবা পকপা, অহুনা অতোপপা রাগ হাঙৈবাদ মঞ্জিষ্ঠরাগগী ফজবা অহু ওবা, কৈফম্না ফংগা চামনা ফজবা রাগবু কুসুম্ভ রাগ কৌই ।

কনাংমা সখী অমনা শ্রীকৃষ্ণদা হাঙৈ-হেকৃষ্ণ ! ঐগী প্রিয় সখীনা নহাক্কী মিংবু তাবা হৌবাদগীনা মহাক্কী পুক্নিংনা নঙেন্দা নপখি, অহুনা মহাকনা লিন উরগা নহাক্কী পাম্বোমগা মান্নবনা সুত্তাইবনা তাওই । হুজিকতি নংবু চান্নবা উরবা মতমসিদা প্রিয় সখীনা মতা অমা তোখরে, মাহুবু ঐখোঙনা অকনবা রাগনি, বিরাগনি হাঙৈবাস্থ খংদরে । বহৈ অসিগী অর্থ—শ্রীকৃষ্ণবু মিং তাবদগী য়াম্না থুনা শ্রীকৃষ্ণদা পুক্নিংনা নপখিবা, অহুনা আকবা লীন মানা চীক্লগা বাবাবু সুত্তাইবা ওইনা খোকপা অহুনা রাগ ওইরে, থুনা খোকখিবনা কুসুম্ভ রাগনি; মহাক্না অকবা পাত্রদা লৈরুবনা শ্রীকৃষ্ণবু উরগা ওইবা পুকনিংনা উানিংবাবু উরগা ওইবা মওং ঔৎসুক্যনা য়ানম্নুনা, পাথোরক্লগা মপানগী মীৎ, নাকোং, খোং, খুৎনা চিংবনা ওকই নাকোংনা তাদে, মীৎনা উদে, য়াম্নুম

তৌহ্না হকচাং অপুম্বা জ্ঞান মাণ্ডি মাহ্ ইবেমা সিনা শ্রীকৃষ্ণবু উরগা তৌই, মাহ্ লৈফম ফরগ্গা অতোপপা মঞ্জিষ্ঠ রাগশুম্না ফজ্জবর্ন, অহ্না সখীনা শ্রীকৃষ্ণদা খংহল্লি, মহাকপু অভিসার তৌহল্লবদি ঐখোইগী প্রিং সখী-অসি প্রান থারগনি হায়ীংগ খংহনবনি। অসিগুম্বী ইবেমাদা লৈবা রাগ অসি কুসুম্ভ রাগনি। অহুদি ইবেমা অসি শ্যাম-লানি, শ্রীরাধা নত্তে, অম্বমন খংনগনি। মরমদি শ্রীরাধা দি মধুস্নেহনি, শ্যামলাদি মধু স্নেহনি ওইরগা ঘৃত স্নেহ খজিক্তং য়ানলি, অতনা অয়াম্বা মধু স্নেহগী হোৌনবী থুনা শ্রীকৃষ্ণদা রাগ পোকই, অমসু য়াম্না মঞ্জিষ্ঠাগুম্না ফজে, ঘৃত স্নেহ থরা য়াওবনা থুনা হন্থে; অহ্না মহাকপু কুসুম্ভ রাগ কৌই। কুসুম লৈনা (মৈতৈরোন্দা লৈ) সংবনা থুনা সংবা অমসু চাম্ননা ফজবা, অংগা চেংতি চেংত'। অহুগুম্বনি অম্বসু লৈসংবা অহুসু য়ামনা ফজহনগে অমসু কুইনা মচু অহুবু চেংনা—থাংহনগে হায়ীরবদ; ফী অহুদা হাম্না য়ামন সুদোকপা অহুগা গাম্নানা অয়াকপা অফকপা মহাও হাম্নানা চংহনলগা সংলবাদি লৈ মচু অহু চেংপা অহুগুম্না শ্রীকৃষ্ণগী বিলাসিংদা কনা ২ গুম্বী সিংদ'দ কুসুম্ভ রাগনা চেংনা লৈ, মাহুদদি মঞ্জিষ্ঠ রাগগা মান্নে, অতনাদি শ্রীকৃষ্ণগী ইবেমা সিংদাদি রাগদি হনথবা মোংথবা হোৌনদে, অহুমক ফজে চেংলি। মঞ্জিষ্ঠ রাগ কৌবদি—শ্রীরূপাদনা আকয়দা হায়ী-

অহার্য্যো হ্নবং শাশ্বৎকো সঃকান্ত্যা বৰ্দ্ধতে সদা।
তবেৎমাঞ্জিষ্ঠ রাগো হসৌ রাধামাধবয়োর্ধ্যথা॥ অর্থাৎ

মাংহনবা য়াদবা; মহৌশগী ওইবা; ইতং তম্ভনা মতম পুমন মক্তা হেনগৎপা রাগবু মাঞ্জিষ্ঠ রাগ কৌই; মাহুদি শ্রীরাধা কৃষ্ণতদা ওইবনি; তাৎপর্য্যদ মঞ্জিষ্ঠ কৌবা উরী মথল অমা কৈ; মাহুনা সংবা মচুদি কোক্লে; মহৌশাগী মাগী মচুনি হাঙবাদ হিদাক অত্তোপপা য়ান্দবাবুসু মাবু অমোক শেমদোক্তবসু—

অহুমক মথস্তুনা মচু ওই, অমস্তু মানা সংবা মচুদি কুইরংগা ফজবা হেনগৎলকই, অদুগুম্বা অঙাংবা মচু অংছুবু মাঞ্জিষ্ঠরাগ (অঙাংবা) কৌই, মাহুগুম্না রতিনা ওইবা রাগবু মাঞ্জিষ্ঠরাগ কৌই।

থুদম—পৌর্ণমাসীনা নান্দীমুখীদা ভাকই;—

"শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিগী মহে মহৈ সুংসিনবাগী কুমৈ অসিদি মরম অসিগী নি হাঙবা লৈতনা য়াম্না থুনা পোকই, কুমৈ অসিবু কারিগুম্বা বাএন অমনা থংবা ওম্বদি থম্রহুনা থজিক্তসু লেংহংবা নোমহনবা ওমদে. লাইগুরুবু কিবনা চিংবা অরাবা থিবকনা মরম ওইহুনা রস থোকহনলি লাইগুরুবু কিবনাচিংবাসিং অহুনাহুম রাধাকৃষ্ণ অনিগী য়ো. ননবা শম্বেন ফহনলি, অগুকপা, থমথোংবা মুণ্ডাইবাগী থমথোংবা ইনৌ নৌনা থোরক্লবা লথবেম ওইহনলি, অহুনা

শ্রীরাধা মাধবকী – প্রেম অসিদি মাসিগা মানৈ হঙৈনা পান্দমনিঙাই লৈতে ।"

মাসিদা মরম লৈতনা য়াম্না থুনা খোকপনা মধুস্নেহগীনি; ঘৃত স্নেহ কিবনাচিংবা অরাবনা থুগাইবা ওমদবানা মঞ্জিষ্ঠরাগগী চেৎপানি, ঘৃতস্নেহ-বু কিবনাচিংবা অরাবাসিং-। মাখোচ অনিগী কংননবা লম্বেন সুগ্নাইহনবনা রাগগী চন্নগী মশক অরাবনা সুক্তাইবা ওনবনি, অতুগা প্রেমনা ইতৎ তংতনা হেনগৎলক-পানা মাঞ্জিষ্ঠরাগগী কুইরবগা ফজবা হেনগৎলকপনি ।

অথানুরাগঃ। শ্রীকৃষ্ণঃ সদানুভূয়তে অথচ নবনবাপূর্ব্বইব স্ফুর্দ্ভবতো ভবতি সঃ অনুরাগঃ। তত্র প্রাণিন্যপি জন্মগাংসা প্রেম বৈচিত্র্যং বিচ্ছেদেৎপ স্ফূর্ত্তিরিত্যাতি ক্রমাঃ।

হৌজিক্ত অনুরাগ হাঙৈর। শ্রীকৃষ্ণবু ইতৎ তত্তনা থংবাবু হৌজিক্তা থংদগুম. হৌরাদি থং হৌদবহুম্না ঌৈ নৌনা খোকপা, মাতুম্না ইতং তংতনা হেনগংলকপাবু অনুরাগ কৌই। অনুরাগগী মতমদি পরাই পন্দবা অতো-নবা জীবনসু পোকচে হাঙৈনা পাসা তৌরা মৈ বৈচিত্র্যং বিচ্ছেদ ওইবদাসু শ্রীকৃষ্ণনা থমোইদা ফাউরকপা অসিনা চিংবা ক্রিয়া ওই ।

অথ মহাভাবঃ সচব রূঢ়ঃ অধিরূঢ়ইতি দ্বিবিধঃ। শ্রীকৃষ্ণস্য সুখে পীড়াশঙ্কয়া নিমিষস্যাপি অসহিষ্ণুত দিকং যত্রসঃ রূঢ় মহাভাবঃ। কোটিব্রহ্মাণ্ডগতং সমস্ত সুখং যস্য

সুখস্য—লেসোঽপি ভবতি, সমস্তবৃশ্চিকদংশনকৃতদুঃখমপি যস্য দুঃখস্য লেশঃ ন ভবতি, এবম্ভূতে শ্রীকৃষ্ণসংযোগ বিযোগয়োঃ সুখদুঃখে যতঃ ভবতি, সোঽধিরূঢ়স্তস্যৈব মোদনো মাদনঃ ইতি দ্বৌ রূপৌ ভবতঃ যস্য উদয়ে কৃষ্ণস্য তৎ প্রেয়সীনাং মহাক্ষোভঃ চমৎকারো ভবেৎ। সুদীপ্ত সাত্ত্বিক বিকাশ দর্শনাৎ সঃ মোদনঃ। সতু রাধিকা যূথ এব ভবতি নান্যত্র মাদনো হয়ং প্রবিশ্লেষদশায়াং মাদনো ভবতি। যস্য উদয়ে সতিপট্টমহিষীগনালিঙ্গিতস্যাপি শ্রীকৃষ্ণস্য মূর্চ্ছা ভবতি রাধাবিরহতাপেন ব্রহ্মাণ্ড-ক্ষোভকারিত্বং তিরশ্চামপি রোদনঞ্চ। প্রায়ঃ বৃন্দাবনেশ্বর্য্যাং মাদনঃ অয়ং উদঞ্চতি মাদনস্য এব বৃত্তিভেদঃ দিব্যোন্মাদঃ। যত্র উদ্ঘূর্ণ চিত্র জল্পাদয়ঃ প্রেমময্যঃ অবস্থাঃ সন্তি। যত্র অনন্তভাবোদ্গমঃ বনমালায়ামপি ঈর্ষা পুলিন্দেষ্বপি শ্লাঘা তমল স্পর্শিন্যা মালত্যা ভাগ্য-বর্ণনঞ্চ এব মাদনংসর্ব্ব-শ্রেষ্ঠঃ শ্রীরাধায়ামেব নান্যত্র। ১৪।

হৌজিক্তি মহাভাবপূ হাঙ্গৈবি (মহাভাবস্থু উজ্জ্বলনীল মানিনা "ভাব"তা মহাৎ, মহা যাওদে)। মহাভাব হাঙ্গৈবাসি অনুরাগনা হেনগৎলগা ওইবনি। মহাক্তি রূঢ় অমস্থু অধি রূঢ় অমুমনা অনি থোকই। মাদুদ শ্রীকৃষ্ণনা দ্বারকা হুণ্ডাইরি-বাবু মারমিনি হাঙ্গৈনা খল্লহুনা মাংনা কুপপা মরুমদাস্থু থাংবা ওমদাবাবু রূঢ় মহাভাব কৌই। মথল অমনাষু

ব্রহ্মাণ্ড কোটি কোটিদা ওইরবা সুখাইবা পূর্ণমমকনা পুলপ তিনগা ওইরা সুখাইবা শ্রীরাধাগা লৈময়রগা সুখাই-বগী মচেৎ অমাবু ফংবা ওমদবা অচুম্বা সুখাইবাবু ফংবা অমসু বৃশ্চিকনা চীকপা—মহু পানবা লৌন্না চীকপনা চীংবানা ওইরকপা অরাবা কোটি কোটিনা কাইনরবা মতমদা ওইবা অরাবাগী মচেৎ অমতং য়োদবা অসীগুম্বা সুখ'ইবা অরাবনা শ্রীকৃষ্ণগা কাইনরবা মতমদা অমসু শ্রীকৃষ্ণগা লৈময়রগা ওইবা অচুম্বা মহাভাবপু অধিরূঢ় মহাভাব কৌই। অধিরূঢ় মহাভাবকী মোদন কৌবা অধিরূঢ় মহা-ভাবকী মশক্তি, মানা উদয় ওইরবা মতমদদি শ্রীকৃষ্ণসু শ্রীকৃষ্ণগী প্রেয়সীসংসু য়ামনা শুকপ্রবা লাংতক্লবা ওই, মাদুদা স্তম্ভ—স্বেদনা চিংবা য়ম্বীগুম্না চপলেপপা হুমাং শৌবা চু চুংবা কুচু ওনবা অসিনা চিংবা সাত্ত্বিক বিকার মখল নিপাম্না য়ামনা ইগুন ভাম্না কাউই, মাদুবু মোদন অধিরূঢ় মহাভাবকী মশকনি হায়না খংনগনি। মোদন অসি শ্রীমতী রাধাগী কাংবুতদা ওই, অতৈদা ওইদে, অমসু মোদন অসিনা শ্রীকৃষ্ণগা কাইনবা মতমদা ওইরগা মাদন কৌই। মাদন কৌবা মহাভাবনা ওইরক্লবদি শ্রীকৃষ্ণনা হবুত্তো মাবু পুরগী ইংেমাসিংনা কোন্দুনা থম্ন চৈমক্তদামু মূর্চ্ছা—র নথৈ ম চু দ—শ্রীরাধাগা কাইনবগী মচাকনা ন। মাদন কৌবা অধিরূঢ় মহাভাব হায়বাসি শ্রীরাধানা

তোইনা ওই । শ্রীকৃষ্ণদাস। তোইনা ওইদে, অদুগা শ্রীরাধা কৃষ্ণতদা ওই, অতৈংদি কনাগুম্বা অমত্তদা ইওই ওইদে। মাদননা খোরক্কবা মতমদাদি তাংবংপানবা অপুম্বা লাংতকনৈ য়ায়া গুনখোকপা অঙকপগী মশক ওই। শা উংক তিন কাউবা কপই। মাদনগী খুদিমখগদি—দিব্যোন্মাদ কোই।

দিব্যোন্মাদ—ওইরবদা গোক চাউবা, চিত্রজল্পতা বা, আসনাচিংবা প্রেমগী অবস্থা ময়াম লৈ। মাদুদা লোইবা মাইত্রবা ভাব ময়াম খোরকই। বনমালা মকপুস্থ ঔর্বী খবনাল, পুলিন্দজাতি হাওমকপু থ'গংলি, মালতী লৈনা তমালদা এংপৰু লাইপক কৈ হাঔ।

অসিগুম্বা মাদন অ'সনা পুম্নমক্তগী ইহেন হেননি। মাসিদি স্বপনগী শ্রীরাধাতদা ওই, অতৈ অতোম্নদা ওইদে।

অথৈষামাশ্রয়নির্ণয়ঃ। কুব্জায়াং সাধারণীরতিঃ, প্রেম পর্যন্তা। পট্টমহিষীষু সমঞ্জসা রতিঃ অনুরাগ পর্যন্তা। তত্র সত্যভামা শ্রীরাধিকানুসারিণী লক্ষণাচ। রুক্মিণীতু চন্দ্রাবলী ভাবানু সারিণী অন্যাশ্চ। ব্রজস্থ প্রিয়নর্ম্ম সখানাংচ। অনুরাগ পর্যন্তা। ব্রজসুন্দরীনাংতু সমর্থা রতি মহাভাব পর্যন্তা সুবলাদীনাঞ্চ। তত্রাপি রাধিকাযুথ এব নান্যত্র তত্রাপিমাদন; শ্রীরাধায়ামেব। ললিতা বিশাখয়োরপি। ১৫

হৌজিক্কি মাখোই অসিগী তুংফম লৈফম (আশ্রয়) শিংগী বিচার হাঔরি। কুব্জাদা লৈবা রতিবু সাধরণা

কৌই, মহাকনা প্রেম কাওবা য়ৌই। দ্বারকাগী মহারাণী সিংগী রতিবু সমঞ্জসা কৌই, মাহুনা অনুরাগ কাওবা য়ৌই। মাহুদা সত্যভামানা শ্রীরাধাগী তুংইনবি লক্ষণানু।

রুক্মিণীনা চন্দ্রাবলীগী তুংইনবি, অতৈ লৈসিং তরাতরুক চামাংপান মকম্ভু মাহুগা মানৈ। ব্রজ দা লৈবা শ্রীকৃষ্ণগী প্রিয়নর্ম্মসখা অপুম্বানু মাহু য়ৌই। হাঙৈবদি মধুমঙ্গলনাচিংবা সখা সিংগী রতিম্নু অনুরাগ কাওবা য়ৌই। ব্রজ গোপীসিংগী রতিদি সমর্থা রতিনি মহাভাব কাওবা য়ৌই। সখাসিংগী মরক্তগী সুবল সখানাচিংবানু রতি সমর্থারতি লৈ, অদুগা মহাভব য়ৌই।

তত্র বিপ্রলম্ভঃ চতুর্বিধঃ। পুর্ব্বরাগঃ মানঃ প্রেমবৈচিত্ত্যং প্রবাসশ্চ। অঙ্গসঙ্গাৎ পুর্ব্বং যা উৎকণ্ঠাময়ী রতিঃ সঃ পুর্ব্বরাগঃ।

হুজিক্তি স্থায়িভাবপু হাঙৈরি। স্থায়িভাব অহু বিপ্রলম্ভ অমসু সম্ভোগ অনুম্না অনি থোকই। মাহুদা বিপ্রলম্ভ অহু পুর্ব্বরাগ, মান, প্রেমবৈচিত্ত্য অমসু প্রবাস অমুম্না মখল মরি ওই। শ্রীকৃষ্ণগী শ্রীঅঙ্গগা শোকনদরি নৈদা ওইবা লালসাগী মশক ওইবা রতিবু পুর্ব্বরাগ কৌই।

তত্রদশদশাঃ। "লালসোদ্বেগজাগর্য্য তানবংজড়িমাত্রতু।
বৈয়গ্র্যং ব্যাধিরুন্মাদঃ মোহঃ মৃত্যুর্দশা দশ॥"

পুর্ব্বরাগদা দশা (কীবম) তরা ওই; মাহু লালসা, উদ্বেগ (বুকবরীদমক পুকনিংদা অইনবা থুকুংপা) জাগরণ (তুম্বায়াদবা)

জ্ঞানব (খাংকংসিনবা) জড়িমা (ফকচানবা) ব্যগ্রতা (হৈরাং-লাংবা) ব্যাধি (ইতা তাদবা) উন্মাদ (ইঙাও ঙাওবা) মোহ (ওকপা) মৃত্যু (জান মাংবা) তরা অসি ওই

মানঃ দ্বিবিধঃ। সহেতুনির্হেতুশ্চ। তত্রনির্হেতুকঃ স্বয়মেবশাম্যতি। সহেতুকস্য মানস্য শান্তিঃ সামভেদক্রিয়াদাননত্যুপেক্ষারসান্তরৈঃ। প্রিয়বাক্যংসাম। নিজৈশ্বর্য্যং প্রাবয়িত্বা তস্যা অযোগ্যত্বজ্ঞাপনং ভেদঃ। বয়স্যাদিদ্বারা ভয়প্রদর্শনঞ্চ ক্রিয়াবস্ত্রমাল্যাদীনাং প্রদানাদানং। নতির্নমস্কারঃ। উপেক্ষা ঔদাসিন্যপ্রকটনং। রসান্তরং ভয়কষ্টাদি প্রদানাদি প্রস্তাবঃ। মানশান্তিচিহ্নানি অশ্রুস্মিতাদয়ঃ।

মানদি মথল অনি থোকই, নির্হেতু (মরম লৈতনা ওইবা) অমসু সহেতু (মরম লৈগা ওইবা) অনিসিনি। মরমলৈতনা তৌবা মানদি মথন্তা কোকচৈ। মরম লৈদুনা তৌবা মানদি সাম, ভেদ, ক্রিয়া. দান নতি, উপেক্ষা, অমসু রসান্তর মথল তরেৎ অসিনা শান্তি (ফহনবা) তৌই। সাম কৌবদি প্রিয়বাক্য (অথেম্বা রাকৈবু কৌই। ভেদ কৌবদি শ্রীকৃষ্ণগী ঐশ্বর্য্য (মতিক অংৌবাবু) তাহনদুনা মান তৌরিবী অদুগী মতিক চাদবাবু তাহনবাবু ভেদ কৌই। মরুপ লেংমায়বাবু অকিবা উৎহনবাবু ক্রয়া কৌই। ফি; লৈপ-রেনাচিংবা পোং পীবাবু দান কৌই খুরুম্বাবু নতি কৌই। থোওইদবা তুমিন্না লৈথোকপাবু ঔদাসিন্য প্রকটন কৌই।

অকিবা অমসু অল্লাবা উহনব।চিংবাবু থোকহনবাবু মসাক্তম কৌই। মান তৌবীনা মান কোকপে হাঙ্গনা থংনবা খুদমচি মীংডা পী তায়কপা, মোমোন নোকপা অ'সনাচিংবানি।

অথ প্রেম বৈচিত্ত্যং। কৃষ্ণ নিকটেঽপি অনুরাগাধি-ক্যাদ্ বিরহো যত্র ভবতি তদেতৎ।

হৌজিক প্রেমবৈচিত্ত্যবু হাঙ্গৈরি। শ্রীকৃষ্ণগী নংতা লৈরিঙৈ মক্তদাসু অনুরাগগী য়াম্মনথিবনা কাইনবা ওই-নানিংববু প্রেমবৈচিত্ত্য কৌই।

অথ প্রবাসঃ। সদ্বিধঃ। কিঞ্চিদ্দূরনিষ্ঠঃ, সুদূর নিষ্ঠশ্চ। নিত্যমেব গোচারণাদ্য-ারাধাৎ কিঞ্চিদ্দূরে, মথু-রাংগতে সতি সুদূরে। তত্র দশদশা প্রবলা ভবন্তি।

হৌজিক প্রবাসবু হাঙ্গৈরি। খজিক্কং লাপপা অমসু য়াম্না লাপপা অসুম্না প্রবাস অনি থোকই। মুতিগী শ্রীকৃষ্ণনা মনশেনবা লেংবদা খজিক্কং লাপপা প্রবাস ওই শ্রীকৃষ্ণনা মথুরাদা লেংখ্রবদা য়াম্না লাপপা প্রবাস ওই। য়াম্না লাপনা লেংখ্রবদা মথুরাদা লেংখ্রবদা দশদশা মথনতরানা য়াম্না কম্না ওই।

অথ সম্ভোগঃ সচতুর্বিধঃ পূর্ব্বরাগান্তে চাধরদংশতা দীনাং অল্পত্বে সংক্ষিপ্তঃ মানান্তে ভয়ম্না মাৎসর্য্যাদিরোহিত সমিশ্রিতঃ সঙ্কীর্ণঃ। কিঞ্চিদ্দূরপ্রবাসান্তে সম্পূর্ণঃ। স্পষ্টঃ সুদূর প্রবাসান্তে সমৃদ্ধিমান্ঃ অভিষ্টঃ অথসম্ভোগপ্রপঞ্চং। দর্শন স্পর্শন কথন বর্ত্মবোধ বনবিহার জলকেলি ব শীচৌর্য্য নৌকাখেলা দান লীলা মধুপানাদয়ঃ অনন্ত এব। ১৩৭

হৃক্সিক সম্ভোগবু হাঙ্গৈরি; সম্ভোগ মথপ মরিনি য়াহুদি—পূর্ব্বরাগ লোইরবদা অধর; নখক্ষতনচিংবাগী থরদং—য়ামখনা ওইবাবু সংক্ষিপ্ত কৌই। মান লোইরবদা অসূয়া (গুনদা দোষ ওইহনবা) মাৎসর্য্য (হুংনাংবা) অসিনাচিংবা সাওগা মানবগা য়ান্নবাবু সঙ্কীর্ণ কৌই। থক্তিং লাপপা লংখৈদগী হন্নকপদা সংপূর্ণ ওই, মাহুদি তশেং তশেং-ওই. য়ামনা লাপপা লংখৈদগী লাকপদনা সমৃদ্ধিমান কৌই। মাহুদি – য়ামনা তশেং তশেংনা ওই। হৃং-ক্তিক সম্ভোগবু সন্দোকপা হাঙ্গৈরি উনবা, শোন্নবা, য়াতাংবা, লম্বেন থৎপা, বনদা শান্নবা, ইশিংদা শান্নবা, বংশী হুবা. হি সান্নবা, দান লীলা অমসুং মধুপাননচিংবা লোইবা নাইদে মাথোই অহূ সম্ভোগ লীলা ওাকনি।

অনধীত ব্যাকরণশ্চরণপ্রবণো হরের্জনো যঃ স্যাৎ।
উজ্জ্বলনীলমণিকিরণস্তদালোকায় ভবতু।।

ইতি শ্রীবিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তি কৃতোজ্জ্বল নীলমণি কিরণঃ সমাপ্তঃ।

ব্যাকরন তমদবা, হরিগী চরন্দা ভক্তি তৌবা মী লৈরবদি মাহুদা উজ্জ্বল নীলমণিগী মঙ্গল ওইবা কিরণনা তানথোক্লবা ওইসনু শ্রীবিশ্বনাথ চক্র বর্ত্তিপাদনা লেংবা উজ্জ্বল নীলমণি কিরণ কৌবা গ্রন্থ লোইরে।

চক্রবর্ত্তি পাদনা ব্যাকরন তমদ। তক্তশীদমকতা উজ্জ্বল নীলমণি কিরন কৌবা গ্রন্থ অসি লেংবদা অসুয়া উৎলি। মরমদি— শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুনা জোবদা শিনবীবা উন্নত উজ্জ্বল মধুর প্রেম রস অসিদি সাহিত্যদা লৈ।

সাহিত্যবু খংদরবদি প্রেমভক্তিগী মনম ফাওবা তাবা ফংদে অদুগা সাহিত্য বিচার তৌবগা গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়গী ধর্মনি। সাহিত্য বিচারবু খরদং খংগে হায়রবদি ব্যাকরণ হৈত্রবদি সাহিত্যদা চংবা ঙমদে, মরমদি সাহিত্যদি শব্দনৈ অর্থনৈ অনিনা সাহিত্যগী হকচাংনি, হকচাং অদুদা থবদি হায়বদি ব্যঞ্জনা বৃত্তিনা খংহনবা অর্থনা মুংসাবরনি রসনা আত্মানি, অলঙ্কারনা লেতেংনি, মরম অসিনা ব্যাকরণ হৈত্র-বদি সাহিত্য বিচার তৌবা য়াদে. মরম অসিনা ব্যাকরণদি তমহৌদবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যমহাপ্রভুগী নিরুপাধি কৃপানা সাধুসঙ্গদগী ভক্তি রসবু দ মনম তারবা অদুগুম্বা মীনা ব্যাকরণবু তমদবসু খংবা ঙমননবা হায়দুনা ব্যাকরণগী কিসি অপুম্বা কোমথোকহন্দুনা ভক্তিরসামৃতসিন্ধুগী বিন্দু, উজ্জ্বলনীলমণিগী কিরণ, অমসুং ভাগবত মৃত কনাবু লেংই; অসুম হায়বা ভাব অসিবু শ্লোক হায়বদি অমপগা রহৈনা তাকুগা গ্রন্থগী অরোইবদা হাপলমই।

একাদ্রিবসু চন্দ্রে চ শকে ফল্গুনমাসকে।
প্রভোর্জন্মদিনে সৌরে ব্যাখ্যেয়ং পূর্ণতামিয়াৎ॥
গোপীনাং রসবত্মেদং তাসাং কৃপা বিনা কচিৎ॥
তাসীণাং চাপি দুর্জ্ঞেয়ং কথং ব্যাখ্যামহে বয়ং।
তথাপি মন্ হৃদি যেন তেন সংপ্রেরিতেন চ।
সর্ব্বজ্ঞবদ্ময়া ধ্যাতং হরিনা তদ্ বিলোক্যতাং॥
এতেন মম দোষেণ তদ্দাস্যরূপশৃঙ্খলৈ:।
মাং তস্য চরণপ্রান্তে নিবধ্নাতু—সদা হরি:।
ব্রজরমণীনাং প্রাপ্য পশ্যামি রসনির্ণয়ং।
তস্যৈ মাত্রে ময়া ভক্ত্যা নির্মাল্যোয়ং সমর্পিতা॥